# অমর নত্তে

C2,3MEE

# অমর নত্তে

——)০(——



ইজবা—


শ্রীস্নাবাম মুহোন মীতৈ।

ফোংঙবা—

শ্রীস্নাবাম শ্যামোসিং

ঐ গুনী স্নাবাম ওংবী থুমনলৈমা দেবী।

কৈশামথোং তোপ লৈরক।


University-Centre of Post
3084

## "কচ্চবা"

মেরা থাগী ২০ নি পানবা য়ুমশকৈশা মুমিংকী মুমিদাং পুং ৮ তাবদগী "অমর নত্তে" হায়বা লাইরিক মচা অসি ইজবা হৌবনি।

পাংলবা রাধন লৈজ্রবা নচানা ইমাগী চরন্দা তোল্লবা এরনা ইজবা অমসুং লোংজবা লৈচন চাত্রবা লাইরিক অসিনা লৈরাং ওইদুনা ইমাগী ওকশমদা হুকচরি সেবাগী মওংদা। করিসু থংজত্রিবা থম্মোয়নদা লাইরিক ইবগী মমি তাজত্রিবা নপারিগী লৈরাং পরেংসি ইমাগী চরন্দা কৎচরি। মচানি থনবীদুনা অরান অচুই থিবীদনা হরাও মোমোন নোক্তুনা তথান তবায়া লৌশিনবীয়ুকো ইমানা।

ইমাগী নপারি

**য়ুহোন মীতৈ।**

# হীরম-লামায়

১। ৱাহৈ মচং।
২। অহানবা পুন্সি।
৩। অনিশুবা পুন্সি।
৪। অহুমশুবা পুন্সি।
৫। মরিশুবা পুন্সি।
৬। মঙাশুবা পু'ন্স।
৭। তরুকশুবা পুন্সি।
৮। ঐনা লোইনা উনরম্মী।
৯। ড্রমা এক্টর (আর্টিষ্ট)।
১০। ইশাগী ৱাখলদগী পোকপশিং।
১১। হৌখিবা অমসুং হৌজিক।
১২। মুপী অমগী মথৌ।
১৩। মুপা, অমগী মথৌ।
১৪। ভাইবংগী মুংঙাইবা মতাং।
১৫। ৰীধাতা অমসুং কর্ম্মা।
১৬। অৱাবা পুন্সনা মুংঙাইবা তাইব ন।
১৭। হিদাক মরম খরা অমসুং ফাষ্ট´এড মনিপুরি।
১৮। ড্রমা হোলশিংগী মরমশিং।

# ৱাহৈদোক

"অমর নত্তে হায়রবা লাইরিক্কু মচা অসি হৌজিক হৌজিক্কী লিচৎ শাজৎ ধর্মাবু খংনবা অমদি তাইবং মীওইবনা মথৌ খংনবা মুংশিবা মমা মপা মশক খংনবা থৌরমদা মী পুম্নমক অসি অচৌবা মচা অমত্তনি। অশেংবা অমাংবা লৈতে, জাৎ-বীজাৎ খাইদনা তিন্নবা অমদি জীব খুদিংমকসে অমত্তনি হায়না লৌবা ওম্নবা মী খুদিংগী অওাং অহল খাইদনা মীবু মশাদা মশাগুম্না মুংশিবা ওম্নবা মতেং খরদা ওইরবসু পাংগত্রা খন্দুনা ইত্রবা লাইরিক মচানি। তাইবং মীওইবা ঐথোয়না ইশাবু ইশামক্কা থাজদবা মীগী পুন্সিবু মাংবদা কন্নাগী মতিক মাংবগে হায়বনচিংবা খংবা ওন্বগী শক্তি খরদি পাংগনি খন্দুনা ইজবনি। মহৈ হৈরবা নত্রগা হৈতবা হৌরকপা ইচিল-ইনাওশিংনা ঐবু মশক খংহল্লগা ঐবু মশক তাক্লগা ওক্তবা শাজৎকী লমজিং মন্নাই কাবগী চুংতাইবা ইথক্তা তাওনা শেরান্নবা লৌহুনা তাইবং জীববু শান্নপোৎ কুম্না খনবা ঐবু ঐনি হায়বা খংদবদগী থোক্লীবসি। পিক্লবা লাইরিক মচাসিবু পারগা ৱাখল-থৌরম খরদং চুমথোকপা ওমগত্রা খন্দুনা ইজবনি। মসিমক্কা কাননরবনি হায়বদি হায়জবা নত্তে। অতুগা লাইরিক মচা অসিবু মুম্না খংলবা তাইবং পুন্সি অম্বিগী ৱাল্লিবু খংলবদি হৌরকপা সমাজগী থোংথাংগী মতেং পাংলবা লম্বী অমা ওইবা য়ারবা ৱাখল পরেং মচানি। লাইরিক অসিবু ফোংননবা হোৎনজবদা পৈশা লৈত্রদহুনা ৱানা হোৎনজবনি অতুবু ঐগী ঈশ্বরনা থবক অসিবু পা থোক্লবা হায়হুনা হৌখিবা শোক ১৯৬৪ দগী মনিপুর এডমিনিষ্টেসন পাব্লিসিটি ডিপার্টমেন্টনা চহি ৫ গী থৌরাংগা থুৎশেমদা মনিপুরগী আর্টিষ্ট কয়া লৌবীহুনা খুঞ্জাগা য়াইফ থৌরাংগী মরমদা ফগৎনবা হায়রহুনা ড্রামা ইউনিট অমা থম্বারি। মতুদা ঐ ইশামকপু মনিপুর সরকারনা আর্টিষ্টনা অমা ওইনা খনবীখি মতুদগী কংজবা থাগী তলবতনা খয়া খরা তুংশল্লে লাইরিক অসিবু ফোংজব ওমখি মথং লাইরিক কয়াসু ফোংজগনি। নিংবা কাইহুনা লৈরবা মী পুম্নমক্কী ফনবা শেম্লীরিবা ভারতা অমদি মনিপুর সরকারবু মপোক মপোক্কু খুদিংগী কাউজরোই, ঐহাকনা।

# ৱাহৈ মচং

"অমর নত্তে" হায়রিবা লাইরিক মচাশিংবু পাম্বীত্নুনা লৌবিরিবা ইচিন ইনাও ইপা ইপলশিং অমদি মরুপ মপাংশিংনা মখাগী ৱাহৈশিংবু মুন্না খনবীবা চিক্লা ৱাখল নৈতাবীরগা মখলশিংবু পাবীয়ু।

(১) লাইরিক ইবদা বেদ পুয়া ইবদা কবি রাইটর মশিং অয়াম্বনা ইকার উকার মান্নদে, ৱাখল পরম খেন্নবনি ওঝা গুরু মশিংনা মশা মশাগী ৱাখল কলম চুনবা মওংদা অপাম্বহ্ তাক্লম্বনি। মীতৈ মাইচৌ তিন্নদবা খুইনা পরম পুনবা য়ানদ্রি, শোয়দনা শেমলগা চানবা মতমদু লাক্লগনি। ভাইবীও।

(২) মহৈ হৈবা লৈতবনি, ৱাখলগী লৈতেংনা মহেনবনি লৌশিংগী পাঙ্গলনা মহৈ হৈবা শিংথাবনি। ভাংবা কল্লগা ফমনাইবা মীমাংদা অশিংবা শাত্নুনা অচৌবা অহৈবা মানবনি। চে মচেৎ পাইরগা মীহাংপা ভল্মী মশা মতোমতদু ইকাইবা পীজে। ডাক্তর, মাইবা অহৈবা লৈতবনি পক্লবনা ঈশ্বর ওইবনি। ভাংজবগী পাঙ্গলনা মহৈ হৈবদি শোইদবনি।

(৩) শাইবা কল্লগা ওইনম্মী—কুইনা শাইরবদু খাদাং চোকই। খন্নবা য়াবা ৱাহৈ অমা অনিদা লোইশল্লু। অকনবনা মীহাক্তে অশোনবন; খুৎলাই পাইত্নুনা মী হাৎলি। মরম খহৌদনা মৈহৌবদগী অকনবনা অকনবা খুৎলাই পাইত্নুনা অশোনবদু মহাৎলি, মতৌ তম্বদগী। মীওইবনা।

(৪) ফাওরবা কবি কয়াগী লাইরিকদু চাননবা, ৱাখল লৈতেংলগা মহাওই। চাত্রগা পাবদা হকাম চল্লি। ফাওরবা কবি রাইটরগী ৱাখলগী কলমত্থু খঙ্গোয়দা চুনরুরগা অথুম্বা খরাইগী সিদ হিদাক মওইরুই। মী পুন্নমক্তা।

(৫) মরুপ্পা মরুপ হাৎলি অহুবু মরুপ নত্তবা ইচিন ইনাওনদু ঐহু নংদু মহাংলি। মকাগা থয়াই ইঙ্গৎসু মকনথি অত্রদু কয়া থাজগনি অমসুং থাজরোই। নং ঐনা।

(৬) ইপানা পান্নবা শেল ঐগী ওইজবা য়াই। থনমত্রবদি পাইদবগা চপ মান্নে। ফংগনি থন্দুনা ঙাইরুবা কুবেরগী লন কৌহাম্ব ঙাক্না ঙাইরমহূনা চাখিদনা মৈতালনা রাখৈখিদো। ঐনা রানা তাপ্পবা ঐনা হাওনা ফংজবা ইপাগী কোল ঐগী ওইবনা তোংজবা মুংঙাইবা মতম হেন্দোক্কে, য়াম্না চারুম্নু থাবাক ফূনগনি চাং তম্না চাউ চাউথং-লবস্নু হেনগনি। থম্মোই মৈশা য়ৈনস্নু থৌশিনগন্নু। অমাংবা লাক-পনি। মথংও।

(৭) হৌখিবা যুক্তা ফংগদবা ইরানতু হুগ খাইদনা হৌজিক হৌজিক ফংলবনি। মীওন্দগী ফংজবা নত্তব, পোৎ থুদিংমক ঐংওন্দস্নু শোইদনা পুন্সিদা মাংই। অশেংবা পথাপ্তা ঙাইওমদে শোইদনা ফংগনি নংগী ঐগী পুন্সিদা। মহূস্নু খংও হে তাইবং মীওইবা।

(৮) ফজরবা লৈতেংদা পানজবা থুং-থোং, মীৎ, নাকোং পুন্নমক মাংলবস্নু থম্মোয়গী থাংমৈনা লমজিংহূনা অতাংবা মীৎ উহল্লি, অতেকপা খোং, থুংকী পাঙ্গল লৈহল্লি। অপংবা মনাস্নু অশিংবা পাঙ্গল লৌশিং পীবনি। অচাকপা থম্মোইনা মৈহৌহূনা অরাবা পুন্সিবুস্নু মুংঙাইবা তাইবং খোংথাংনি। খংউকো হে, মোন্নু তাইবংশা। হৌবদগী লোইবা ফাওবদা "অমর নত্তে" কাউগন্নু। নংগী ঐগী পুন্সি।

# ঐগী লাইফ হিষ্টরী

মাবাম মুহোন ঐসি শোক ১৯৩৯দা পোকখি ঐগী পোকপা ইপাগী মমিং ৺মাবাম শ্যামোসিং কোই। কৈশামথোং তোপ লৈরকা পোকচে। ঐনা অতাং, ওইরিবৈদগী লিলা ড্রামাশিংগী মরম খুদিংদা থবাই হুকচাং মাওনা, পামজহনা ওসি ফাওবদা লিলাগী এক্টর, ডাইরেক্টর, রাইটর ওইহনদুনা লৈজরি।

শোক ১৯৪৯ দা ইশামক্কী য়ুমদা য়াইং থিয়েটর কশন অমা হৌদোকচখি। ইশামক্না রাইটর, ডিরেক্টর, প্রডুকসর ওইদুনা লিলাসি হোৎনজরকই। ইশামক্না ইজবা ভলম ৭০ শুজরে, মরু ওইবা ভলম থরগী মমিং, গুলাম ডাকু, মৌলুহোংবা, মৈতৈগুরু পাখংবা, লোনা পাখংবা, ছুবীলাইরেন পাখংবা, মনিপুর ছাত্রি, কিং ওফ ইটালিয়ান, শাইর ওরে, জগৎ পুবী মুপী, মাতম মনিপুর, পাব্লিকসিটিনা খনখিবা নিংশিং মৈরা, হুরানবহু ঐনি, চীনা বার, অমর নত্তে, ইতৈমাগী আশা, জাতিগী শোমিলা, অসিনচিংবা লিলা কয়া ইজহনা ওসি ফাওবা ইজবনি ভলম ৭০ শুজরে, লিলাশিং ওইনা পাব্লিকনা থংখৎবা অমদি শান্নখৎবা ভলম ৪০ খক শান্নখ্রে। মনিপুরগী লৈরিবা হোলশিং অমদি খুঙ্গং লৈকাই কয়াদা।

অসুম্না লিলা শান্নহনা লাকপদগী শোক ১৯৬০ দা মনিপুর সিভিল হোসপীটালদা ৱার্ড এটেনদেন ওইনা থবক তৌরকই। চহি অহুম থরা হেন্না থবক তৌরকপনা শোক ১৯৬৩-৬৪ দা হোসপিটাল থবক থাদোকচরে। ঐনা থবক থাদোকচবদি মনিপুর পাব্লিকসিটগী ড্রামা ইউনিট অমা থম্নগী এক্টর এক্ট্রেশ কৌবদা ইশানা পামজবা থবক অহুবু পাব্দগী ঐনা হোসপিটালগী থবক থাদোকখি থবক অহু থাদোকলগা ইংশোক ১৯৬৪-৬৫ দা মনিপুর পাব্লিকসিটি অফিস্তা ড্রামা এক্টর অমা ওইনা থবক হৌজখি। থবক অহুদা ঐনা ফংজবা আফিস চার্জশিং ঐনা পুরম্বা থবকশিংসু মখাদা উৎচরি।

1. i.c. Transport 1964-65. 2. i.c. Rehearsal 1965-66.
3. i.c. Production and General Supervision 1966-67.
4. i.c. Stage Construction 1967-68. 5. i.c. Troupe Leader 1968-69
6. i.c. Director and Troupe Leader 1969-70.
7. i.c. Unit Leader 1970-71
8. Have Produced, Directed and Script Writter at Mohon Theatre 1949.

# "অমর-নত্তে"

—:(*):—

## অহানব পুনশি।

### তাইবং লোমচং তম্বীবা।

"অমম্বা, অঙানব, মৈ, ঈশিং অমসুং সুংশিং মখল মঙা অসিনা পুল্লগা পোংশক নাইব অমা ওইরি। পোংশক অসিনীগুম মমি অমা লৈবি। লৈরবা পোংশক মখল মঙা অসিন ঐ হায়রব অসি থোকই। মসিগী মমি হায়ব অসিগা লোইন্না নমু তাইবংমী ওইরিবনি। মরম অতুনা হে-তাইবং থরাই মঙামক মিগ থান তক্কমক হায়রিবনি মবম অসিদগীনি। মবম অতুন অমম্বা, অঙানবা, মৈ, ঈশিং অমসুং সুংশিং মখল মথা অসিন পুল্লগা তাইবংমী হায়ব ঐখোয়সি ওইরিবনি। অসিগুম্বা মখল মঙা অসিনা, মখল অমা ৱাংপদা তাইবংমীগী হকচাং অসি তাকাইব থরাই পাল্লব পোংশক অমগুম্বগা চপ মান্নে। অহানবদা ঐ হায়রবা মখল মঙান পুল্লব পোংশক অসিবু পুথোক্লগ মতুদগী মচা থর থোক্লা থাইদোক্তুনা মালেম পুংদা তাইবংপান হায়বসি থোকহনখিবনি। মালেম পুংন লমদা য়াতারগা মোমু তাইবং শাখিবনে। ঐগী মচা মনাওনা অরি অনৌ থাইত্তুন মলেম মপুংযোন্দা তাইবং লৈশেমলোন শান্নতুনা তাইবং জীবশিংগী মগী শেমগা মালেম মপুং ফাহন্দুন তিনকোক লাইকোক হন্দুন নাওথি চাম্মা চাম্মা তাহনব, নাওরোল চাম্ম চাম্মবু য়াইকোকহন্দুনা মালেম মপুং ফাহনখিবনি। অসুম্না মালেম তাইবংদা মীওইবা হায়বসে লৈশেম লৈতাহন্দুনা মচা মনাও, পান্নাও শিংনাও লৈথোনবগুম্না লৈখিবনি। মরম্ অতুন হৌজিক মীতৈগী সলাইদা অমত্তুদগী

খাইদোকখিবন পাখংব স্না তা মবোন্দা শংগ শনাই থিরগা মীতৈ এক শনাই খুম্বা মান্নবিবা মরি মখোং থিবগা হুরাই মবি চংপগম্মা চংলগা মখোংদি অমত্তুদা পুম্নীবসে অতৈন নঙ্ঙে। অমত্তদগী থোক খবন অমত্তা ওইবিবনি। মীওইব ঐখোযগী পুনশি লোনবগা পুনশ অসি কনাদা তিনখিবগে হাযরবদি মথক্তা তাকখিবা মৈ, ঈশিং, মুংশিং, অমম্বা অঙানব, মখল মঙা ঐ হায়রিব মখলশিং অসিদা তিনখিগনি। ঐনা ঐবু শেম্বনিনা অরোইবদগ্ এঁতান্দ অন্নুম তিম্লগা অমুক হন্না ঐ ওইতুন অন্নুম লৈগনি। ঐ হায়ব পোংশক অসিন মমা মপা ওইরগা, ঐন ঐবু অত্রুম ঐ হায়ব তাইবংপীগী পুনশিগা মক চনগনি। ঐনা মক চুনবদা ঐন মমা মপা ওইগনি হায়বসে ঐন ঐবু খুদক্তা শংঙব ওমগনি। মমা মপা ঐনা ঐবু নাওবোল থা তবাবু মপুংফান পুদুনা ঐনা ঐবু অমম্বদগী অঙানব হাযবা ঐগী লৌদাশি উহনগনি। মতম অদুদা ঐগী ঐশে অমুক হন্না নকলে হাযন ঐন ঐবু খংগনি। মদুদা তাইবং চৌবদা তাকপীনদি ঐগী ইচা পোকলে হাযদুনা মপান থে দা খংনব তাইবং লোনচংনি। ঐনা এবু ইচানি খন্দুনা তাইবং শেম্বা হৌদুনা অমাং অপাশক তুবু ঐনা ঐব য়োকপীবনি। অঙা অসি পোক্লগা নুমিং তকত্রি হেক শুবদা তাইবং পুনশি অসিগী লোনচং তম্বীবা হৈববনি। তাইবং লোনচং তম্বীব হাযবদি অঙাং অদুগী (কুম শংবা) পুজ তৌবা নুমিৎ অদ্বুনি ঐনা ঐবু তাইবং লোনচং শিন্থা পীদুনা তম্বীবা হৌবা নুমিৎ অদু ঐগী খোমদা মীতাবা কৌযে। তাইবং জীববু কননবা তাইবং লোনচং তম্বীদুনা ঐনা ঐবু ওাক শেন্দুনা ইশাদগী ইনা ইশাবু য়োকপ হৌই হান্নদুন অহানবা মঙাং পোকপবু তাইবং লোনচং তম্বীবা কৌযে। ঐনা শেম্বা চাববু ইশান ওাকচদুনা তাইবং পুনপি লৈশেম থক্তা তাইবং লিলা শান্নব হাযবশে ঐনা ঐবু শেমজব পুনশিবু তাইবং খোংথাং অহানবা পুনশি কৌই। অমরোমদা অহানবা পুনশিগী

মকোক্কা অঙাংনা ওইবগা ঐনা অলল ওইদুনা তাইবং কুম্মৈগী হরাও মপুং ফাহনবনি। অদুগা পুনশিগী কুমজা লৈশেমগী পারৈ হনবনি। য়ুম্না খংও হে তাইবং মীওইবা। মরম অদুনা হৌবকপা নহারোল্লা থোবম অসিবু হন্না হন্না কুপ্পা পাবীরগা ইশাগী থৌরমবু ইশান খংলগা ইশাবু ইশানা মাংহন্নব হোংনগমু। নং ঐ জিব অমত্তনি ঐশু মাশু ঐনি হায়না খন্নদুনা লৈশেম মপুং ফাহন্দুনা নশাবু ইশানা পুনশি মপুং ফাহনব ফৈয়ে খংও।

# অনিশুবা পুনশি

## তাইবং চিঙ্গাক তম্বীবা ( চউম্বা )

"লৈশেমলোন শিঙ্গা কাইব য়াদবন, ঐন ঐবু নাওয়োন হা'দুনা তাইবং মৈশা খংহজেদো ইশাগী ঈনা ইশ দা মিরেন তমহন্দুনা তাইবং খোংচৎ অহানবা পীবব। মতুং'দা মপাদগী মমা ওইরবী ঐনা ঐবু নাওযোক নাওশুমতুনা তাইবং মপুং ফানব হোংনবনি। ঐন ঐগী তাইবং'দা খোং'চৎ খোংগাও কাইব য়াদবনা ইশাগী ঈতনা তাইবং মপানথোংদা খোয়া শাতুনা ঐবু ঐন য়োকপনি। ঐন মালেম তমপাক্কী অমম্বা অঙানবা ফংলবা মুংশিং মুংশান হকচাং থোং মপলদা অমর্দ উনশা মবোন অহুমগী কুয়োমদা য়ৈহন্দুনা ইমুরেন নাওবেন ফাবকপদা ঐন পোকপ ঐতুবু থাজ কুয়োম্ন তকক শুবদা কুমজা শিংথা য়ৈন্দুনা ঐন ঐবু তাইবং চিঙ্গাক চাব তম্বীবা হৌবনি। তাইবং মীওইব ঐখোয়না ঐ হায়ব ইমাগী পুকমুংদগী থোরকপদা অহানবা ঐগী লৈতোন্না ঐ হায়ব ইমাগী ঈন শারবা খোমলাং অমৃত ঈ অসিনা অহানবা তাইবং চিঙ্গাক ওইনা ফংই। মতুগী মতু দা ইমাগী তম্পাকথক্কা নয়া পরৈননা ইরোন থাশিং খাইতুনা তাইবং কুমৈ কয়া শান্নজরকইবনি। মালেম ইমাগী তম্পাক থক্কা মোন্নু তাইবংন শান্নবগুম্না ইমাগী ফৈরাথক্কা ঐ হায়বা মচা ঐনা শান্নজতুনা

মপারি মমোম ঐগী ঐনা শরি মপুং ফাহুনা থাজা তকক্কা তাইবং জীবগী মচিঙ্গাক চাব তম্বীবা হৌব অমদি তাইবং ফিজোন তাইবংগী মহৈ তাইবং মরোন তানশনবগী খোংথাংবা মুমিৎ অহুবু তাইবং চিঙ্গাক তম্বীবা কৌই। মতম অহুদা ঐগী ঐনা মাগী মপী মপা মখোং খংহুনা মালেম মওাল কয়াবু উব ত্তাব ক্ংই। অসিগুম্বা তাইবং চিঙ্গাক চাবা মুমিৎ অমদি নাওবোন্ন থাজা তরুকশুবগী খো'চৎ খোংদাববু তাইবং চিঙ্গাকচাব অমসুং তম্বীবা কৌই। মহুগী মরমাদ থরাইবু য়োকপা থরাই শেম্বা থরাই পেলহনব মুমিৎ অহুবু (চউম্বা) পুনশি তাইবং চিঙ্গাক চাব তম্বীবা হায়ন কৌই। হিরম থৌরম পরৈ অসিবু চুম্না খ'ও হে তাইবং মীওইবশা। অসুম্না নমু তাইবংগী কুম্মৈবু ঐন ঐবু পুখোক্নুনা শান্নবগী অহানব অমসুং অনিশুব তাইবং লম্বীগী তাংখক্কী অসুম অসুম্না তাইবং খোংথা'হুনা তাইবং মোন্নুগী কুম্মৈন তাইবং মাওইব ঐ অসে ঐন ঐবু পোকপা মুনিত্তগী থাজ কুমজা অসুম থিরকপন কুমজা মওনলক্তুনা কুমগী মওন কয়ান তিন-খিবন মতাং চান ঐগী ঐনা শান্নবা কুম্মৈগী মতাংদা চহি মওা ফাজিল্লক্লে হায়ব খংলগনি। মসিদগী ঐন ঐবু তাইবং হকচা'গী তাইবং লৈতেং শেম্বা তম্বীখি। মরম অহুনা কুমগী কুমজ পরৈনহন্দুনা কুমজা কয়না শিংথা হাপত্তুনা তাইবং চৈথাবা য়াওববা তাইবং মী পুম্নমক্কা ঐন ঐবু শেম্নগা ঐগী কুম্মৈ য়েংজবা অসিবু তাইবং চিঙ্গাক তম্বীবা কৌবনি মুম্না খংও হে তাইবং মীওইবশা।

তাইবং মীওইবা খুদিংমক্কা খংগদবা থৌরমদি মীপুম্নমক ঐ ইশামক্কী হায়না খন্দুনা ঐন ঐবু মুশিংব ওমগনি অহু ওইরবদি ঐবু ঐনা মাংহন্নবা ইখুত্তা খুৎলাই পাইহুনা ইশাবু ইশানা হাৎচবা ওমলোই। ইশাগী ইরম ফাত্তুনা ইশাবু ইশান মাংহনবা অমবু অমনা মুংশিদনবা অসি পুম্নমক ইশানা ইশাবু মুংশিজদ্রবদি তাইবং কুম্মৈ য়াওদনা লমখাংদা মা'বনি। ইশাবু মুংশিবা অহুগা চপ মান্নবা মীবুশু

ঐনি খন্দুনা মু শিয়ু। লৈপাক্লা চাওখৎপ হেনগনি। পুনশি মুংশাংনা পানগনি। লমথা দা মাংলোই। মরম অতুনা তাইবং পুনশি ঐন ঐবু ওইরকপগী ৱারি খংলগা নশানা মাংহনগদবা নশাগী মমল ইশাগী কুম্মৈ মপুং ফান শান্নগদবনিকো হে তাইবংশা। ইশাগী ঈবু মীশানি খন্দুনা য়েক্লবগুম্না ইশান ইশাগী ঈবু মাংহনব ফওবনি ঐসে নংনি। নংশু ঐনি খংও।

---

# অহুম শুবা পুনশি

## তাইবং মহৈ তম্বীবা।

"ঐ হায়না তাইবং মোন্থু ঐনা ঐবু পোক্লুনা অহানবা খোংচংতা তাইবং লোননা ংগঁতনা তাইবং মচ্চাল খংহল্লে। অনিশুবা তাইবং মীওইতুনা হকচাংগী মরু ওইন্নবা তাইবং চিঙ্গাক শিনফম খংহল্লেদো। ঐনা শেন্না তাইবং মালেমদা ঐনা শানবা তাইবং পুনশিগী কুম্মৈ কয়াবু মপুং ফাহন্নবা ঐ অসে ঐ ওইরতুনা তাইবং মীশক হায়বত্ত মপুং ফাবকলে। মীওইবন হেক পোকপদগী ঐ ওইনা পোকপদগী ঐনা ঐ হায়বা মিথোল হোৎশে তাইবং মপুং ফাতুন মীওইব হায়বা মী গোনবাস কুমজা মঙা শুবা হায়বদি চহি মঙা শুববু তাইবং মীওইবা হায়না খংনবে। মতম অতুদদি ঐ হায়বসি তোক্লুনা তাইবং মা হায়না খংনরবনি। মতুদা মীনি হায়না লৌরগনি চহ মঙা শুদ্রিবা তাইবং মোন্নবু মী হায়ব য়াদে। মরমদি তাইবং ঐগী কুমজা শুদ্রিবা ঐনি হায়না লৌগনি। তাইবং মরোন শুনা থোক্লবা, তাইবং চিঙ্গাক শুরবা, তাইবং লোনচৎ খংলবা অকি, অখও অনবা, অয়াকপা মরা তারবা ঐ অহুবু তাইবং মোন্থু মীওইবা হায়বা মী অমনি হায়না ঐগী তাইবং লিলাগী শরুক য়ারে খন্দুনা

তাইবং শিংথাবা য়াওরগনি হান্নন খ্‌লগনি। ম'সিগী পবৈন হৌজিক ফাওবা তাবংপানগী ঙোংচত্তা মীওইবা ঐখোয়না মচা মশুবু মহৈ তম্বীবদা চহি মঙাদগী লৌশিং থাংম্মে ওইবা মঙাল্ল পীব ঙোংনরি। কনাগুম্বনা চহি অহুমদগীশু হৌনব য়াওয়ি। য'বদি নৌনা মথক্তা হৌবশু য়াই মরম অসিনা অহুম শুবা মতাংদা কুমজ্জা মঙাগী লৌশিং পাল্লল হাপ্পবু তাইবং মহৈ তম্বীব কৌই। ঐনা ঐ ওইবকপা রাহৈ অহু মতম অহুদদি ঐ অসে মমা মপা হাযন তাইব' শি থাব হৌরগদবনি। ঐগী হায়বদি মমা মপাগী তাইব' মথৌদি মচাশি বু শেম্বগী মথৌ য়াম্মী, মবম অহুনা মমা-মপানা মচাশিংবু চহি অহুম মঙাদগী মহৈ তম্বীবা ঐনা ঐবু শেম্বা হৌগনি। মচাগী লৌশিংগী পাঙ্গল শেম্বীবা হৌববু তাইবং শিম্থাগী ঐনা ঐবু মহৈ তম্বীবা হায়না কৌই। অঙাংশিংনা মহৈতম্বা হৌবদগী লিচৎ শাজ়ৎ বয়া রাঙাং শাঙাং তাইবং মীরোন অমগী খোংথাং চুম্না চৎপ তমগনি। পুমম্নক অসি মমা মপা ওইরবা ঐনা ঐবু তম্বীগনি। অঙাংশিংবু মহৈ মশিং হৈন্নবা তম্বীবা লৌশিং লৈহনগে ফজব লমচৎ শাজৎ রাঙাং শঙাং ফজহনগে হায়রবদি চারোন শুরোন্নন লৈরিবা মমা মপা ওইরিবা ঐগী অচৌবা মথৌ অমনি। ঐনা এবু পাক্লীঙৈদগী ভোইনাকপা মচান মমাগী, মপাগী লোনচৎ শাজৎ রাঙা' শঙাং লৌবদি ইতিন্নবন শোইদনা লৌদবা য়াদ্রব তাহৈব লোনচৎনি। অহুগুম্বা লৌদব য়াদ্রব মচাশিংগী ওঝা গুরু ওইগদৌরিবা মমা মপানা ফজবা লোনচৎ চৎলবা ফজবা রাঙা' শাঙা' ফজবা লোনচৎ শাজৎ ফজরবদি মমা মপা অফবগী মচা অহুনা ফন ফত্রবশু থম্মোয়দি শোয়দন ঐনা শে'বন ঐশু শোয়দনা শেংদোকপা ঙমগনি। ঐগী ঐ অসিনা অঙা' অমদি মচাবু ফহনগে, মহৈ হৈহনগে হায়রবদি ঐনা ঐবু মিতম্বা মতমদা মরুওইবা থৌরম লম্বীদি ঐনা ওইরিবা মমা মপাগী অচৌব থৌরমনি। থৌরম শেংবা মমা মপাগী মচানা অফবা রাখল লৈব ওইগনি। ফত্তবা মমা

মপাগী থৌরম ব্রাখল লৈবা মচান ফওবা লিচৎ চৎকনি ব্রাখল লানখিবনা লৌশিং থাংমৈ ওল্লবন লৈবাক ব্রথোক ওইব মচা অমা ওইগনি। মরম অহুনা ঐনা ঐবু তাইবং পুনশিগী লম্বী পীবদা পীরিব। ঐগী পুনশিরোন চহি চাম্মা অসিবু পুনশিহন্দুনা তাইবং শেম্বা লিলা শান্নব ঐনা ঐগী কুমজা মপুং ফাহন্নবা য়্যানবা ঐন ঐবু শেমগনি। অহুবু ঐ ঐনা রাংল চোইবগী মতুং ইন্না মতম মতমহুগী পুংফম অহুগী ঐ মমা মপাগী তিন্ন মৈশা অহুগী থৌন্নম খুৎশেম্না ঐ ওইরবা মচা মচাদা ঐন ঐবু ফংহল্লবনি। মমা মপানা মচাবু ফহনগে কুমজা শুনা মাংহ-ল্লোই হায়ন খল্লবদি ঐনা ঐশী মরু হুনবদা লমথাংদা খাইরক্লনা খোমদা চাকচামীনবা ফত্তে। ঐনা ঐগী তাইবং মরু হুনখিবহু তাইবং মঙাল ফংন চেংনা শরীর থাংহুনা ঐবু ঐন মালেম তম্পাক্তা পুনশি লোমদন ঐনা শেম্বা ঐসে তেকথাওন্না মরু মপুং ফাদনা মালেমদা কেমহুনা মাংবগী শিম্বাগনি খংও। হে তাইবং মীওইবা। ইশাবু ইশানি খংগনি, মীবু মীনি হায়ন খনগন্নু মীশু ঐনি হায়ন খনগদবনি মীওইবা।

# মরিশুবা পুনশি

## তাইবং রাঙং লিচৎ শাজৎ তম্বীবা

"তাইবং মীওইবন হেক পোকপদগী চহি কুমজা তরা মঙাশুবা ফাওবদা মমা মপাগী থৌরম থৌশিন শিম্বা ইন্দুনা ঐগী ওইরবামমা মপাগী লিচৎ শাজৎ রাঙাং শঙাং তু ইনহনগনি। মরম অহুন ঐগী ঐ ওইরমবা অঙাং মচাশিংগী মমা মপা ওইবা তারবদি মপা মমাশিং অহুগী অচোবা মথৌ কয়ামসু লৈরবনি। মথৌশিং অহুগা লোয়ননা মচাশিং অহুগী তাইবং শেমনবা, তাইবং মীবা থোক্লবা অক্কব ১সুং ফাওবগী থোংচৎ অসি মমা মপাগী থৌদাং পাউরৌনা মচাগী অক্কব

ওইনবা অফব শাজং তম্নবা জাতিগী য়ুম্বী অমা ওইনবা লৈপাক ঙাক্লব পুন্নমক ঐনা ঐ .ওইদুনা তাইবং খুৎশেম ওইগদব থৌরম খুদিংমক মমা মপা ওইরবা ঐ নংনা শেমগদবা মথৌনি। মমা মপানা চিঙ্খাক পুগনি। মচাশিংগী মহৈ তমহনগনি, শান্নবদা কান্নবা থৌরমদা শান্নহনগনি। মখোয়গী মমাংদ ফজব য়াহৈ ঙাংদুনা অফব থবক মওংদা মখোয়গী মমাংদা লৌবা ঙম্নব উৎকনি। মচাগী মপুক্লিং থুংহনগনি। অফব ফিজোন্না মচাবু তাইবং কুম্মৈ য়াওহনগনি। অফব থবক্তা লমজিংদুনা ঐনা ঐবু মচাশিংবু মুপী মুপাবু মপা মমা অমা ওইরক্কনি হায়বসে মচাশিংদা ঐ ওইরবা মম মপান খংহনগনি। অহানবদা মতমগী মতুং ইন্না অঙাংশিংবু মপা মমা ওইবগী অন্নাবসু মচাসিংদা খংহনগনি ঐন ঐঙোন্দা। ঐ ওইরবা মমা মপান ঐ ওইরবা ঐঙোন্দা খংনবসু মরম খুদিং শুগাইনা তাকপীগনি। মী ওইবা তাইবং পুনশিগী খ্বাইদগী পুনশিগী লম্বীদা খুদোং খীবশি কুমজা তরাদগী কুমজা কুনশুব পুনশি মতাংন খ্বাইদগী অরুব মপাগী মচা ওইরব পুনশিনি। হান্নরিবা চহি মতাং অসিদা অনৌবা য়াখলগী অশাব ইনা চেনবনা পূক্নাংদ খল্লীব রাখল অদুবু ফাবা ঙংদব তাইবং ইচেল ওইবন মফম অসিদা তাইবং মীওইবগী অমাংব ওইদুনা শিনফম থংদন শিংজিন্নফম খংদনা ঐগী পুনশিবু লমথাংদা কেমদুনা পনথুংফম য়ৌদন তাইবং ওইরবা মীওইবন মাংইদো। অনৌবা লাক্লগা অনৌবনা অসুম অসুম লাক্কুন শান্নব তাইবং কুম্মৈগী মতুং ইন্না মপা মমা ওইরবা ঐন মমা মপা ওইরক্কদৌরিব ঐদা হান্না খংহল্লগা তাইবং থোংচৎ অদুবু মতাং চান চান কুমজা খুদিংগী ঐন ঐদা তাকপীগদবনি খংও। অহানব মতাংদা অহানব মতাং কয়া শুগাইনা তম্বীগনি। অনিশুব মতাংদশু অঙাংন শান্নবদা য়াঙাং শঙাং, লিচৎ শাজৎ, পোৎ কয়াশু শেম্বা শাব পোৎশক অদুন লৈপাক্কী কান্নগদবা থৌরমদা মমা মপা ওইরবা ঐন শেম্বী শাবিগনি।

অহুমশুব মতা'দা মহৈ তম্বা লিচৎ শাক্তা ঐনা ঐ ওইননবা শেমগনি। মাগী মাগী মহৈনা মাগী ব্রাডাংনা, মাগী মাগী মথৌনা লৈপাক্কী স্নেংনিব মথৌ ওইহনগনি। পুম্নমক অসি ঐ হান্নরিবা থব্রাইন ঐডোন্দা অমুক ঐ ওইরক্লবা তম্বীগনি। ঐনা ঐবু শেংন খংলবদি তাইবং মালেমদা মুংশিনদবা মী লৈরোই। পৃথিবীদা লৈরিবা মী জীব থুদি'মক ঐ ইতোমদা ওইরে খন্দুনা অমত্তা অফাইবা চৎনজনা লৈপাক মালেম অসি মরা তপ্পা শান্তি ওইনা পানবা ভুমগনি। ঐনা ঐবু খংলবা মীনা ঐনা ঐবু মাংহন্নবা খল্লীবা মী অদুনা মশানা মশাবু মাংহনজন্নগদবনি। ঐ হান্নবা তাইবং পোৎশক অশি য়াম্না পীকথবা বীন্দুগুম্বা মশক অমনি। চাউবদা হায়রগা মহাকুন্না চাউবা পোৎশক অমা প্রমাণ লৈতে। মহাক্না কনবদি এতোম্নিক পন্নার হাপ দ্রোম্বা লৈপাক অমা মাংহনবগুম্না ঐগী অকনবা শক্তিন মালেম অসিবু মাংহনবা ভন্থি। মরমদি, অমম্বা, অজ্ঞানব, ঈশিং মুংশিৎ, মৈন শাত্নন থোক্লবা ঐনা পৃথিবী অসি শাবনি। অদুনদি অসিগুম্বা পৃথিবী শাবা ঐন ঐ ওইত্তনা মাংহনবসু য়াম্না লাইথোকইমা। ঐবু মাংখ্রবদি পৃথিবীসু মাংগনি। ঐন লৈরিব মথৈদি অসিসু মাংবা লৈতনা অসুম মালেম লৈগনি। মরু শেম্বনা মরু কংলবদা, উপাল ওইরীবা পাম্বীনা হিংগদবা লৈত্রবনি খংউকো হে তাইবং মীওইবা। ঐনা ঐডোন্দা লাওরি খংও। মসিনা মরিশুবা পুনশিনি। তাইবং পুনশি ফংদনা মালেম ইতরুত্নুনা লম্মথাংদা মাংবা পুনশিদি ঐনা ঐবু মাংহনবনি। ঐনা ঐবু শেম্নগা তাইবং মপুং ফাহল্লুকো তাইবং মীওইব-সা।

---

# মঙাশুবা পুনশি

"ঐন মালেম লৈশেম্বা তাংখক্লা, তাইবং মীয়েন তম্বদগী ঐ ওইহুনা লৈরকপনা মম্ন তাইবং ওইবক্লেমা। মম্ন তাইবংদগী হৌরকপদা ঐনা ঐগী পুনিশি লৈশেমনবা মালেম তমপাক্তা মম্নু মীতম্নবা ঐগী ইনাও ফংবা মুমিং অতুদগী ঐবু মাংনবা লৈশেমলোন অনৌবা চহি ইনাওরোল ফংলে খ'তুনা মুমিং অদুদা ঐশে ঐ অমা হোংগদৌবে তাইবং পুনশি ময়াই চপ্রে হাযবা খংগনি। ঐখোয়গী ধর্ম অসি মশিং য়াম্মী পোৎশক্তি অমত্তনি। পোৎ অদগী মচু খেন্নবগুম্না ধর্ম খেন্নবতনি। ঐনা পাগল ওইববদি থুদা হাযগনি। ঐনা হাও ওইরম্লবদি খৃষ্টান ওইগনি। ঐনা তমদা লৈববদ তমগী পরৈ ইন্দুনা মীতৈ ওইগনি মীতৈ ওইরবদি মীতৈ ওইহুনা গৌবধর্ম অমস্তুং বৈষ্ণব ধর্ম ওইগনি। ময়া ওইরগদি গৌরধর্ম ওইগনি। মৈতৈদা মীতৈ হায়বদি গৌরধর্ম অসি থাদোক্তুনা মীতৈগী ধর্ম অশেংবা চৎকনি অসিনি খেন্নবা। থাঙ্গৈশেংবা মীতৈ হায়বদি মীতৈগী ধর্মদি মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, অমম্বা, অঙানবা শেমহুনা শাররা থরাই মঙ্গগী মশক ওইরবা ঐ হায়রিবা মীতৈ অসিগী চৎকদবা ধর্মনি। মসিবু মীতৈ ঐখোয়না লাইনিংথৌ সিদবা হায়না খংনৈ। অতুগা সিদবা মপূ হায়নসু খংনৈ। ধর্ম হায়বদি লিচৎ শাজৎ ফজবা মওং মতৌ তমদুনা চৎপবু ধর্ম হায়নসু কৌনৈ। ঐনা শেম্বা মপুগী ওইবা ধর্মদি অমত্তনি। মশা মশাগী মাগী মাগী জাৎকী মতুং ইন্না তোঙাম্না মমিং অমমম ওইনা হায়খিবতনি। মশা মশাগী ফজবা লোনচৎ তমজবা য়ায়বা মীশক অতুবু লাইনি হায়বদা অকাইবা করিগু লৈতে হায়না লৌবা য়াই। মরম অদুনা ভারত্তা ফাওরা পৃথিবীদা মহাক্কী মগুন্তনা লৈরাং লৈনমগুম্না ফাওরবা মহাত্মা গান্ধিজী জৱাহরলাল নেহরু শাস্ত্রীজীগু লাইনি হায়না লৌবদা অকাইবা করি

লৈবগে। অহুবু লাইশিং অতুগী লাইদি মৈ, ঈশিং, অমম্বা, অঙানবা মুংশিং হাযরিবা মখল মঙা অসিবু মশক খংলগা লাইনি নিংতুনা জীব খুদিংদা লাওথোকপা অসিনি মথোয়গী মগুণ। মরম খংলবা জীবগী পুনশি অসিদা তাইবং পুনশিগী লম্বী ফংতুনা মাংখ্রবা ঐ হাযরিবা অসিনা জীব পুন্নমক্কী অথোইবা লাইনি নিংগদবা লাইকোক্লি মহাক্লা জীবশিংগী থরাইনি। হাইবিবা মখল মঙা অসিমা মখল অমা মাংখিবদা পোৎ খুদিংমক হীংবা ঙমদে। মরম অতুনা ঐবু শেম্লীবা ঐশনা লাই পুন্নমক্কী মকোক্লি। তাইবং মী ওইবা ঐথোয়না তাইবং চিঙ্গাক চাবদগী তাইবং ইশানা ইশাবু চাব হৌব মুমিং অতুদা তাইবং মী ঐশি মাংলগদবনি হায়না খনগনি। মতুগী মবমদি ঐনা ঐ ওইববা মতমদা ঐনা ঐ ওইরম্বা- হায়বদি ঐনা খোম্লাং থক্কুনা ইমাগী তম্পাক্ত। ঐনা ঐবু চাউনবা য়োক্লক্লে। ঐনা মপুং মবে ফাবক্লে কুমঙা শকলেন কয়া ওলক্লে ঐগী মতমগী থাতু মপাল শাত্তুনা ঐগী ইরেম খাইবনা তাইবং চাক্তনবা ঐ তাল্লোইবু লাংগোনবা মুমিং অতুদগী ঐনা ঐবু পুনশি তংখাই চল্লবনি হায়না লৌরগনি। ঐনা তাল্লোইবু চিঙ্গাক পীনবা মুমিং অতুদগী ঐ অসি ঐগী ঐ মপা ওইবে হাযবসে খংলগদবনি। মতম অতুদা ঐনা মপা ওঈরে হায়তুনা ঐওোন্দা তাকখিবা মপাগী মপা ঐনা মচাগী মফমদা পাউতাক পীননবা ঐনা মমাংদা তাকখিবা ঐগী ব্রাহৈ থৌরমশিং অতু ঐনা ঐঙোন্দা তাকপীনবা হোৎনবগনি ঐনা ঐগী থোদা লৌরগনি। ব্রাহৈ অমনা ঐবু ঐনা মুংশিরবদি ঐবু ঐনা মতম মপুং ফানা য়েংগে হায়না খল্লবদি ঐ অসিগী খোংচৎনা তাইবং ময়াই চল্লব মতমদা য়ুম পান্দুনা ঐগী ঐ তাহল্লবদি তাইবং পুনশিশান্ য়েংবা ঙমগনি। তাইবং খোংথাং নৌরিভৈদো ঐগী ঐবু হাল্লা য়েংজবা ফংলবদি ঐগী ঐ লাক্লবা ঐনা তাইবং কুম্মৈ ম্লাওবা য়াদবঙ্গা তাইবং লম্বী তেনবনি। মরম অতুনা তাইবং কুম্মৈ পোক্লা

য়েংবা পামলবদি খুৎ অনি থাত্নুনা চাগম্ থবাক ফূনবনি। য়েংবা মীৎনা চুম্না য়েংউ নত্রবদি মিৎতাংবনি। ঐনা ঐবু খংজগদবনি। খংত্রবদি পুনশি লম্বী তেনর্বনি খংও মীওইবা।

নংগী ওইবা তেবাগী মোনপাক্তা থব্লাই মবা চেৎনা তুমউ। হিপফম চাদনা হিপলগা তিংখং য়ুবনি। শাইব কল্লগা ওইনম্বগুম্না লোনচৎ খংলগা তাইবং পুনশি অমর হায়বত্নু ফংগনি। থব্লাইবু থব্লাইনা লম্মখাংদা নশা ইশানা মাংহল্লোই হয়না খল্লবদি ঐন ঐগী ব্লাহৈ লৌত্নুনা তাইবং খোংথাং লোনচৎ কয়াবু খনা ইনগনি। লৈতোন শরুপান্দে হায়ত্নুনা ভাংনিংবত ভাংলগা ব্লাভাং তোইবদগী হুকচাংগী ঈ কংবনি খও। য়াগী শরু তানবনি। শোকহৈদবা পোৎ শোক্লগা, চাহৈদবা চিঞ্জাক চাবগা তাইবং মম্নুনা ঐগী ঐবু মাংলিবশি ঐবু শাবা মতমদা মখল তরুক্কী থোৗরম শোক্লা শারিব মম্নু তাইবংমীনি খংও। মখল তরুক অসিনা মখল কুম্ত্রাতরুক থোক্লা খাইরিবা তাইবং ঈচেলনী। মসিদগী মখল চাম্মা নিপাল থোক্লা খাইবা ঐগী ইরমলেন্দা শোকলুত্নুনা পীবু ঐনা মাংহন্নবা হোৎনবা পুনশিরোন্নি। ঐ অসিনা অচৌবা অফিশকী মকোক অমা ওইরগা অফিশ অত্নুগী নত্রগা পলটন অত্নুগী শিকাইগুম্বা মীগুম্বা মম্নু তাইবংমীগী মপোক্নি। তাইবং জীব অসি মফম অমত্তুদগী পুন্না লোইন্দুনা থোরকপনি। অফিস অত্নুদগী মী খুদিংমক জীব খুদিংমক থবা ছুটি লৌরগা ঐগী য়ুমদা ঐনা থবক্কী মতম থর ছুটি ফংত্নুনা নোমজবা মুমিৎ মতম থর অত্নুগা তাইবং মীগী পুনশিগা চপ মান্নে। ঐখোয়না ঐদগী ঐ শাত্নুনা তাইবং কংলৈপুং অসিদা তাইবং কুম্মৈ অত্নুতা ভাওরবনি। অমুক পোক্লগা পোৎশক অমা ব্লাৎত্নুনা শিবা হায়ত্নুনা শিরগা ঐদা ঐনা অত্নুম তিল্লুবর্নি। তাইবা পুনশিনা শিরবসু ঐ হান্নবা পোৎশক অসিদি অত্নুম লৈগনি। ঐগী ওইরিবা তাইবং মম্নুদি অমর নত্তে মাংব তুম্বা নাই। ঐদি ঐ ওইত্নুনা অমরওইত্নুনা

লৈগনি। ঐ হায়বা অসিনা তাইবং কংলৈপুং অসিদা হায়বদি সংসার অসিদা শাগ্নরিবা কুম্মৈ লিল্লা অসি অঙকপা শাগ্নোন লোন কুম্মৈনি। মশিদা তাইবংমী খরনা কুম্মৈ অসি অঙকপা কুম্মৈনি হায়না লৌনরি। মসিদা তাইবংমী খরনা ঐশি ঐনা খংননবা অমঙম্লা ওইননবা ঐগী অমর খুদম খরদি থন্নম্বা ওম্লী মতু খরতনি অয়াম্বা মীদি লমখাংদা মশাগী অমর উৎপা ওম্লমদনা মাংখিবা তাইবং পুনশি ঙাক্তনি। মতুগী মরমদি কনা কনাগুম্বনা মহৈদা মশাগী মিংচত্তা লিচৎ শাজত্তা মশা মশাগী হৈন হৈনবা থবক্তা ঐনা ঐবু ওইরকপা তাইবংদা নিংশিংফম ওইরবা তাইবং অমর খরদি থনল্লী। মতুগুম্বা ঐ ওইরবা তাইবং মীদা অমরনি হায়বদা অকাইবা লৈতে। মতুগী প্রামান্দি লাইরিক হৈবা মুপা অমনা লাইরিক অমা ইতুনা থনম্বা মশা মশাগী মমিং লৈহৌবা অফবা অমসুং ফত্তবা থবক কয়াতু মিংচৎ থনগী অমরনি হায়বা য়াই। মতুবু তাইবং পুনশিগী মীংচৎ তানবা অমর কৌই। সিফাই অমনা মরৈবাক্কীদমক্তা মথরাই থাখিবা লৈপাক্কী ফননবা তৌরম্বা মুপা মুপী ঐ অদুসু মমিং লৈহৌরি অদুগুম্বা ঐনা ঐগী অনৌ অনৌবা মপোক্তা খংত্রবসু ঐনা থনম্বা মমিং অমসুং মিংচৎ ওতুদি ঐমক্তা খংত্রবসু, ঐ ওইবা ঐনদি তাবা উবা ফংগনি মপোক অমদা। থাংদা হৈবা, থবক্তা ফবা, লৈপাক্কীদ ক্তা থরাই হকচাং য়াওনা নোম্লম্বা, মমিংচৎপা, লৈপাক্লা খংনরবা মুপা মুপী ঐ অদু মালেম লৈমন লৈরিবা মখৈ ঐন লৈরিবা মখৈ শোইদনা মাবা য়াদ্রবা অমর অমা ওইনা লৈগনি। অহানবা যুক্তা ঐনা থমলম্বদু অকোনবা যুক্তা অনিশুবা শাগ্নোন্দা ঐনা ঐগীনি হায়বা খংদ্রবসু ঐনা তৌরম্বা থবক্তু ঐনা তাবা উবদি শোয়দনা উগনি অমসুং তাগনি। মরম অদুনা হকচাং শরু পোলাংনা শাবা পোৎ অসিবু অমর ওইনা থম্বদি ওমদবনিনা মপুগী থৌদা ইম্ন ইন্না তাইবং পুনশিগী কুম্মৈদা নশা নশাগী অফবা লম্বীদা ঐগী অমর থম্নমবা মীওইবা ঐখোয়না হোৎনগনি অঙাং অমসুং অহলনা।

চহি চা কয়াগী মমাংদা থোকখিবা রাবী লাইরিক ঐগোয়না তাবা উবা ফংই। অদু ওইরবদি মথোয়গুম্বা ঐ অদু ঙসিসু লৈরি হায়বা য়াদ্রা। মথোয় অহংগুম্না ঐনা ঐবু যুগ খুদিদা শায়োন পুন্দা য়েংনবা খংননবা অফবা থবক থৌরম কয়া ঐনা ঐগী অমর ওইনা থমগদবনি। হে তাইবং মীওইবা। অরুবা অনানবা হায়বসি ঐগী ঈনা মপুং ফানা হকচাং পোলাংগী ফংবা লৈতেং অমনি। মতম থরগী লোনচত্ত অমরগী খোংথাং থম্বীয়ু অমর নত্তে হে তাইবংশা খংউকো।

---

## তরুকশুবা পুনশি
### ঐগী অরোয়বা নুমিৎ।

"মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, অমম্বা, অঙানবা মখল মথা অসিনা পুন্দুনা তাইবং শেম্বা মপু হায়বা পোংশক অমা ওইতুনা লৈরবা মতমদা পোংশক অসিগী অমত্তা ওইনা পুন্দুনা লেরবা মসিনা পুন্নগা হায়নৈ তাইবংপান অসিদা। হে থয়াই মওানক মিগা থারগা তরুকমক। অসিতমা তাইবং পোংশক অমা ওইখি। অদুগুম্নবা পোং-শিং অদুগী মশাদা পুনশিগী অহানবা অমসুং অরোইবগী থোরমদা তাইবং পোংশক অমা ওইননবা মথক মখা, নাক য়েং ঙইনা থোং মাপল মাপল লৈরি। থক্তা মাপল, খাদা মাপল, নাক্তা মাপল য়েত্তা মাপল অসুম্না থোং মাপল অদুগী ইচেল ওইনবা উগী মরাগুম্না মফম কয়া কয়াদা মরা শাংনা শাংনা চৎপগুম্না অইংবা, অশাবা, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ অমম্বা, অঙানবা অসুম্না পরম মরি ওইনা মীওইবগী হকচাং অমদি মালেমদা পরম তরেৎ থোক্লা থাইদুনা লৈরিবা মালেম তাইবং পুনশিনি। অসিগী মরমদগী তাইবং ইরম শিংজি তরেৎনি হায়না খংনরি ঐখোয়না।

পরম ইরম অ'চৌবা তরেৎ অসিদগী পরম ইরম চাম্মগা নিপাল থোক্লা ইরম লৈফুৎ লৈরোন চন্না মালেম অমদি নমু তাইবংগী হুকচাং'দা লৈবি। পৃথিবী হাষবদি মালেম তম্পাক অসিবু শেমদ্রি,ভৈদা মখল মঙা অসিগী মিগা থানা তরুক্লা পুল্লাগা ঐ হায়বা কুরু অসি থোকই। মীতৈগী কুরু। ময়াং লোন্দা শ্রীনরাণ হায়বা অসিগা পোংশক অমত্তনি রাইৈতনি তোঙানবা। মীতৈগী কুরুগী মমিদগী পা'গনবা হায়বা মি'থোল ফ'ব্ম ঐ অমগা লৈরি। অদুগুম্বা ঐনা ঐবু পোক্লুনা ঐ হায়বা জীব ওইনা মালেম থক-খাদা কোটি কুম্বা-হুমদোই পুথোকই। হায়রিবা লাইয়াম জীবা অসিগী মরক্তা মাইকৈ ঙাকপা থক-খা ভাকপা কয়ানু য়াওবে'দা। কুরুগী অমদি শ্রীনারায়ণগী মুবাদগী ওল্লী হাযত্নুনা লাইরেম্বীশিং অতুগী মমিংনা লাইমুরালাই হায়ত্নুনা মি থোন্দুনা লাইবেম্বা তবেৎ অমসু পুথোকই। অদুগুম্না ঈশি'না ল'লবা ইয়াই অতুদা লাইগী লাইয়াম্না থোকঙারোল পল্লী কো'ইনা খাজিনববু হৌজিক নমু তাইবংমী ঐখোয়না খংনরিবা অসিনি চী লোন মাপল হা'য়নবু। মরম অত্নুনা চীংনা কোইনা পনশাবা হাওনা কোইনা পনঙাকপা হাযনরিবসিনি। চী'না কোইশল্লবা লম অসিগী মমু দা লাইজ ইথক কানা থন্না লৈরবদা কুরুগী মিদগী পুথোক্লবা পা গনবনা তিমেন চিবোং অহুম ফাংববু পাইত্নুনা নো'পোক চিংখৈ পাংনা তিমেন্না মীতম থাত্নুনা পনলোন মাপলবু খাইনা লাইক্লা ইরেল চিথখি। ঃফম অত্নুবু হৌজিক্কী যুগ অসিদা চীংনুং হুৎ হায়না নমু তাইবং ঐখোয়না খংনরিবা অসিনি। পল অসিবু হুৎলম্বা কুরুগী মীদগী থোকখিবা পাংগনবা কুরুগী য়াথংদগী ঙসি ফাওবা মুমিৎ থানা মুত্রি ফাওবদা ঐনা অমরনি ঐনা লৈরিবা মখৈদি নোংপোক মাইকৈ ঙাক্লুনা লৈয়ু মপাওদগী ঙসি ফাওবা লৈখি। মহাক্কী মমিংবু নোং-পোক ঙাকপা নোংপোক নিংথৌ হায়নসু খংনৈদো। অত্নুগা ঐখোয়না মহাকপু মহাদেব হায়নসু কৌইদো। মহাক্লা লৈরিবা পল অসিগী

মমিংনা অহানবা থোংদ ওইরিবা নোংমাইজিং হায়নদী খংনরিং অসিনি। নোংচুপপুনা লোইবা মৈরম লোইবনা লোইবা লাবপা। মীংথোন্দা লোইবা চীংবু মীংথোন্দুনা ওসি ফাওবদা লোইবা চীং হায়নসু খংনরি। অসুম্না নোংপোক, নোংচুপ, খা, রাং খাইদুনা করুনা শিন্দ্বা পীদুনা মালেম থক, খা খাইদুনা থনম্মী। মত্থদগী পৃথিবী পুম্বা লৈশেমখি। মালেম তম্পাক শেমবদা হৌজিক ঐখোয়না লৈরিবা ভারতকী নোংপোক পাংবা চীংনা কোইশনবা লমদম অসিবু মীতৈম্না লৈপাক্লা মালেম লৈশেম্বা মালেম মীতম্বা অহানবনি। মীতৈম্না লৈপাক হায়বদি অতৈদা থোনবা নস্তেদো ঐখোয়গী মীতৈ লৈপাক্তা কুরুগী ফানখোং চাম্মা নিপালবু শুনা লৈতাবা লৈপাক্ক। পাখংবা শুকুং চাম্মা নিপালবু কোয়দুনা তুবা মানা শাথেকনা মালেমশিবু কোন্দুনা মী লৈরোন চেংনবু থমদুনা কুরুগী শলাই চাম্মা নিপালবু শাইওন্দুনা লৈরবা লিপুন চেংনা ওইনা লৈবনা মীতৈম্না লৈপাক হায়না মীংথোনবনি। কুরুগী লৈতেং চাম্মা নিপাল মনিগীদি পরেংনা মালেম লৈথক লৈখানা মরু চেংনা পুনবনি মনিগীদি মি খৈদগী মীতৈ স্না লৈপাকপু মনি মিংথোলদুনা মনিপুববু কৌবনি। অসুম্না মরুচেংনা মালেম লৈশম্বা লোইরবা মতমদগী মতুংদা মাইকৈ ঙাকপা কৌক্র; থাংজিং অনিদা কুরুনবু শিন্নখি। কুরুগীদি য়াথংবু লৌদুনা কৌক্রগী মচা মুপানা থাংজিংগী মচানুপীবু লৌদুনা মালেম তম্পাক্তা তাইবং মমু হায়দুনা ঐনা ঐবু লৈশেমলোনবু ওইনখি। মসিগু ঐনা ঐবু শেম্বনি। ঐনা ঐবু শেমলগা ঐনা নাওথি তাহন্দুনা মালেম তমদা চাক্তাহন্দুনা ঐবুনা তাইবং মমু তমগী মিংলেন লৌদুনা মপারী অনিবু থক; খা খাইদুনা ঐনা ঐবু থম্বিখি। মালেম তম্পাক্তা লৈখিবা নাওতোম্না মীতৈ হাম্নুনা মীংথোনখি। নাওথি অহানবনা থক্তা কানা থমদুনা চীংমী ওইদুনা হৌজিকী যুক্তা হাওবা হায়না খংনরি (হাওবা হায়বদি অঙাংবা থক্তা পানজবা জীবগী মহৈ মরোংবু চুম্না হাওবা মচানৈ হায়দুনা অহাওবগী খোম্হোক্লা থক্তা লৈবা চীংগী জাতিবু হাওবা

মীংথোনবীখিদো অগুম্না মথং মথং মীতমদুনা ঐনা ঐবু মালেম থম্না লৈবনি চীংতম শিনবা থুংনা শান্দোক্তুনা লৈবদগী হৌজিক পৃথিবীদা তাইবং জিবগী কুম্মৈ অমা শান্নরিবা অশিনি। চীংতম হায়্ন বদি নাওথিখোং পারি অনিনি মচিন মনাও অনিবু কাইনবা য়াদে হায়দুনা ঐনা লৈরিবা মখেদী থানবা য়াত্রবা মপা মমা অমত্তুগী মপারি অনিগী মিংথোনবু চীংতম হায়না মিংথোনবীবনি। তাইবং মীরোন জীবশিংনা হরাও পুংগী শৈশক্তা শোন্নরি জীবা থুদিংনা মচিন মনাও পারি অনিগী শৈশকপু। চীংনা কোইনা পনশাবা হাওনা কোইনা পনঙাককপা হায়না নমু তাইবংনা ঐনা ঐবু লৈরিবা মখেদা শোন্নরগনি শৈশকসে কোকপা য়ারোইদবা মুৎপা লৈররোইদ্রবা তাইবং মপুগী শৈশক্লি। চীংগী তাইবং মোন্নুনা অহানবা নাওথি তন্বা ময়াম্বনি শিংথাবা তমদা লৈবা তাইবংনা অরোনবা য়াহিপ তানবনা তমদা লৈবা তাইবংনা মনাওনিবু খংনরি। চীংতম হায়্নবদি মপা মমা অমগুদগী থোবকপা মপারিনি খ নৈদো। ঐনা ঐবু শাত্নুনা ঐ, ঐ হায়দুনা খাইবতনি। তাইবং পুনশি অসিদি অমর লৈতবনি মীওইবা অমর ওইগদবদি ঐনি খংও ঐনি। অগুম্না ঐনা ঐবু ওইন্নবা অনৌবা অরিবা খংয়দুনা মথং মথং গুইনা তাইবং কুম্মৈ শান্নরিবনি ঐনা। পোকপদা ঐতা লাকপনি শিবদগু ঐত্তা চৎথিগনি। অদুবু ঐ ওটবা ঐদি লৈগনি পোকপা শিবা নাইদ্রবনি। পোকপা শিবা হায়্নবদি ঐনা ঐবু শান্নরিবা কুম্মৈগী তাইবং হকচাং পোলাংতবু অরিবা অনৌবা শিনবনি। তাইবং মোন্নু ঐনা ঐবু অমুক হন্না পোক্রকপদা ঐগী কোক্লা ইশাদা তাইবংগী ফজবা অথিবা খংদনা লাকই। ইকাইবা হংগোইবা খংদনা কনানা কনানো হায়্নবদু খংদনা তাইবং মঙাল ফংবনি। ঐনা অমুক হনখিবা মতমদগু ঐগী ইশাদা করিগু য়াওদনা হান্নগী মতৌগুম্না করিগু খংদনা করিগু পুদনা ঐনা ঐগী নাক্তা হনজখি। ঐদি লেংদনা লৈগনি ঐনা শাবা হকচাং পোলাংদি

অনৌবা অরিবা থাইনা লৈগনি। ঐনা ঐগী কুম্মৈ লিলাশিং শান্নবগা ঐনা ঐবু খংদবদগী ঐনা ঐবু ইথন্দা ওনশিন্নহ২না খৎনরিবা শাওনরিবা ঐদি মীনি অমর ওইরবোই খন্দুনা শউন্না কুপ্পবা হকচাং পোলাংগী অশাবা ঈগী থৌরমনি। অশাবা ঈনা হকচাং পোলাংনা অশাউবা মৈশা কাংহনা ঐবু ঐনা খৎনবা হাৎনবা অসি ফত্রবা তাইবং পোলাং-গী অমাংবা রাখলনি। হকচাং পোলাংনা খৎনরগা ঐগী পুনশি ফ দনা ঐবু ঐনা মাংননবা অসিবু তাইবং পোলাংগী ফত্রবা রাখলনি। মরম অসিনা সংসারগী মপোক অসিদা অঙাং মচা অমা ওইনা ঐনা পোকলে, ঐনা য়োকচহনা অঙাং অহ চাউরে মশাগী চিঞ্জাক পীজরে, তাইবং মরোন থোকলদো। মরোন থোক্লবা তাইবংপান জীবশিং অসনা মাগী ঐগীনি হায়নরহনা পোকপদগী পুবকপ নত্রগা শিবদগু পুবরোই-দবা মশা মশাগী পুনসিগী লম্বী খবদা অমনা অংবু মুংশিনদনা চায়দনা প্রেম কাইনহনা খৎনলিবা চৈনরিবা পুম্নমকশে ঐনা ঐবু লৌনমহনা জীবা পুম্বা লৌশিনবা য়াম্নবগা থৌবাংনি। ঐনা ঐগী ইকমদগী ছুটি লৌহনা লাকলিবা মতম খরদং অসিদা পুনশিগী জীবা তাইবং খোংথাং লোম্নগনি খন্দুনা অমদি তাইবং জীবগী রাখলদা অমর অমা ওইরগনি খন্দুনা মীপুম্নমক্ত খৎনরিবা চৈনরিবা মুংশিত্রবসে অপংবা রাখলনা অরানবা লম্বীদা লিচি বদগী ঐনা ঐবু ইশানা ইশাবু ঐনি হায়বা খংদবদগী থোক্লিবা তাইবং থৌরম ওাক্তনি। ঐগী ইকমদগী ঐনা চৎখিবা তাইবং ছুটিগী মতমদা মনুতাইব, মীওইবা ঐখোয়না পুনশি থৌরম খংদবদগী ইশান ইশাবু তাইবং জীবা ওইবা ঐখোয়না ঐশে অমরমক্রী হায়না খল্লী। অদুগা অসিগুম্বা তাইবং অসিগুম্বা তাইবং জীবশিংগী শান্নরিবা কুম্মৈ অসিবু য়াওরগা ঐগী ইনাক্তা ঐনা চৎলমদাই অরোইবা পুনশিগী মিৎয়েং ফংলিদৌদা ঐনা চৎলমদাই অরোইবা পুনশিগী মিৎয়েং ফংলিদৌদা ঐনা মালেম তম্পাক্তী অঙানবা সামজগী থৌরম পুম্নমক অসিবু থাদোক্লিংবা মোহু তাইবংবু

কনা য়াওরিবগে। য়াকম অহুদি তাইবং জীবনা য়াজবদি করিদা প্রমান তৌগনি হায়বদা প্রামান পীক্ষম লৈতে। নমু তাইবং মীমা মালেম তম্পক্তা ঐনা ঐবু খাইন্দুনা শান্নরগা ঐনা ঐদা লাক্কুনা শান্নবা লিলানি। অহানবা পন্দুপ্তা অহানবা চহিদা অমম্বা অঙানববু য়েংহুন নোক্কুনা লেনজে শান্নজে। ঐনা ইমা ইপা শাহুনা ঐনা ঐগী তম্পক্তা তহাওবা অমৃত খোম্লাং থক্কুনা অহানবা পুনশি লেনজেদো। অনিশুবদা মালেম অঙানবনা মপুং ওইদুনা ঐগা ঐগা মরুপ ওইনা তাইবং চীঙ্গাক মখল মথেল কয়া কয়াবু চাবা ফংইদো। অহুমশুবদা ঐনা মপা মমা শাহুনা ঐনা ঐঙোন্দা ওইনজহুনা শেংনিংবা পোৎ; চানিংবতা চাহুনা লৈজবা মচা অমা ওইহুনা তাইবং মপা মপাগী তম্পক্তা ঐনা কুম্মৈ মপুং ফাহল্লোদো। মরিশুবা পুনশিদা ইমান্নবা ঐনা ঐবু মরুপ ওইহুনা তিন্নজহুনা তাইবং নাওয়োরুহুনা অঙাংগী মহৈ ইহৈ তমহুনা মালেম তম্পাক্তা শান্নাজেদো। অশুম্না লেনবনা ঐনা কুমজা কুনবুশুবা ফাওবা অখাকপা লৈতবা মপুগী থৌরম শিন্থা পাংহুনা তাইবং লিলা জাবগী থৌরম পাংহুনা ইশাগী শিন্থা য়াওইদো। ঐনা নুপী ওই ঐনা মুপা ওইহুনা মালেম তম্পাক থক্তা কাউবা ঙমদবা শিনিদবা তাইবং জীবগী অকনবা হেরোগী পার্ট অমা লৌহুনা সমাজগী মমাংদা মতিক মগুণগী কুম্মৈ অমশু উৎলম্মী। মসিদগী ঐনা শিবা হান্নবা থৌরম পোৎশক অশিবু কাউহুনা লৌরকপা থবক্কী ছুটি অদুবু ঐনা শান্নবা কুম্মৈদা লুপখিহুনা হারাওনা লৈরকপসে জীবা কননা য়ারিনবদা ঐগী য়ারি পুনশিরোন তাইবং লিলা অসিবু তম্বা ঙমদনা তোকলবা পুনশিনিদো। হে তাইবং মোম্মুশা। অঙাংগী নরা ওইরিঙৈদা শান্নরকপা থৌরম লোনচৎ শাজৎনা কয়া কয়া। তাইবং পুনশিনা মীয়াই চনবদা মালেম তম্পাক্তা ঙাওজখিবা থৌরম। শাজখিবা জগোইগী শাথেক কয়া। লোইনবা ইশাগী শারবা ঈনাখিংবা ঙমত্রবদা লাইজগী ইচেলনা ঐবু ঐনা, ইশানা ইশাবু ঐনি হান্নবা মপৈ কাওহনবা ঙমখি।

লাইজ ইপোম্না লেপ্লকপা হকচাংগী তুখোংদা চেপ্লিবা ঈনা ইংলকপা অশাবনা ঈশিংদা লুপ্লগা হনবগুম্না হন্থরকপদা হন্না য়েংলুবদদি ফজবা হকচাংশি হাংলবা পোলাংদা পারবা ফিনা কুপ্তুনা য়োম্লবা পোংশক অমগুম্না লৈরম্মী। মতম অদুদদি তাইবং মীওইবা ঐখোয়না ইশানা শান্নবা থাংলম্বা খোংথাং ঐনা চংলম্বা লম্বী। উরবা পোংশক কয়াবু উবা ফংলরোই খন্দুনা থাও য়াওদ্রবা ইজিন্না, চাক য়াওদ্রবা দেহেনা পাঙ্গল লৈত্রবা শাশিংনা লেপ্তুনা লৈরবা মতমদদি মালেম কোইনা য়েংলগা থম্মোইদগী অইংবা লাইজনা হকচাং থুমগৎতুনা মীওগী পিরাং শিন্থত্তুনা ঐনা ঐবু মালেমদগী বীদাই নিরক্লী অরোইবা খোংথাংদা মতম অদুদদি মালেম শেম্নবা ঐনা তাইবং মালংগী কুম্মৈবু য়েংজবা ফংলরোই খংলক্লবা মতমদদি পাঙ্গলগী ইবৈনা হনথরকপা ইংপাম নাইবা ইরৈগী মতুং ইন্না ফজবা তাইবংনা উত্রবা অমম্বা লম্বী লাকপদা মালেম স্না থম্বাল অসিগী ফুগাইনা শাংলবা কাউভমত্রবা অগানববু উজবা ফংলরোই খম্থবা মতমত্তুদা ঐনা ঐবু শাউজরি। মতম অদুদদি তাইব না খাংচিক্তুনা মশানা মশাগী পুনশিবু চৈজবা হৌবক্লে। হৌখিবা পুন্সিগী অরেম্বা নুংঙাইবা ৱাখলবু নিংশিংলক্লে ঐনা মতম অদুদদি ঐগী পুন্সিংস ছুটি লৌবা লোইত্তুনা ঐবু ঐনা কৌবাক্ল হায়রুনা ঐতনা ঐদা শাউরকই। ঐনা শেমজবা থৌরমগী কুম্মৈবু ঐনা উজবা ফংলরোই হায়ত্তুনা খাচিক্লা খাংজবা মোন্নু তাইবং জীবনি। ঐনা ঐবু অমদি ঐনা ঐগী কুম্মৈবু উররোই খন্দুনা লুরবা ঈশিংনা তাইবং মীওইবা জীবগী মীংলূদগী অরোইবা পুন্সিগী ইরান শিনথত্তুনা ইশান ইশাবু চৈজত্তুনা ইতোমদা তাইবং পুন্সিবু তেংথাঙবক্লীয়ে। পোন্দা কাত্তুনা থম্নবা পোম্বী চেক্লানা পোন্দগী হেকমক থাদোকপদা পোম্বী মানা মনিং তম্না শিরগনি হায়বনক কাউত্তুনা মশা খপ্তুনা মাইকৈ শিনবা থুংনা পাইজবদগী পেনজবা লৈতনা মনিংতম্না শান্নজবা পোম্বী চেক্লাবু অমুক হন্না পোন্দা কাত্তুনা থম্বগী অন্নাবত্তু খোক্লবনি তাইবং পুন্সিদা

পোন্দগী থাদোকপা মুমিৎ অত্তুগী চেক্লা মানা পাইজনিংবা মফমদা চনিং-মথা ওম্না পাইভরুই। চানিংবা উহৈ রাহৈ কয়াশু মনিংতম্না চাজকই। সংসারগী ফজবা মুঙাইবা কুম্মৈ হরাও কয়াশু হিরম খুদিংদা মনিংথুংনা য়েঙ্‌জরুই। চৎনিংবা মাইকৈ মফম ফয়াদশু থিংবা লৈতনা চৎচবা ফংজরে চেক্লা মানা। অত্তুবু পোন্দা ফাত্নুনা থম্নবা মাগী পুনশিনা মনিং কয়া থুংগদ্রা থুংলোই অমুক হন্না পোন্দগীশু থাদোক্লরোই অমুক হন্নশু অশুম্না অনৌবদগী অরিবা পুনশি ওনবগী লোইরমদাইদা মোনু তাইবংশু পোন্দা লৈবা চেক্লা অতুগুম্না খল্লকই অরোইবা তাইবং পুনশিদা। ঐশে শোয়্দনা শিরগনি ঐনা পুনশি অশিদা লোইখ্রবদি ঐনা শান্নরম্বা ঐনা তিম্নরম্বা মরূপ মপাং থোৌরমশিং পুম্নমক ইশানা চৎলম্বা লম্বী শোরোক অমুক হন্না উরর়োই ঐনা য়েংজতুনা থম্মোয় মুংঙাইজবা উপাল রপিল ইশানৌ কয়াগা য়ার য়াতাই শাতুনা হবাও মথোয় কাহু-। শিগনি হায়বা কাউত্নুনা লোইনজবা তাইবং পুনশিদো ঐনা ফংলরোই ঐগী হকচাং পোলাংগী পুনশিদা সংসারগী ফজবা অথিবা মুঙাইবা হরাওবা ঐনা চৎনিংবতা চৎপা, শেৎনিংবতা শেৎপা, ঐগী পুনশিবু অমুক হন্না ফংলরোই খনবদা ঐনা ঐগী নাক্তা চৎনিংদে, শিনিংদে, অরোইবা ঐগী তাইবং পুনশিবু। থবক তৌবিবা মী অমনা লমদম তাম্না চৎকদবা অমদি সিফাই অমনা ছুটি লোইবগী চৎলমদাই। মতমদা মামা মপা, মুংশিরবা মচা মনাও মাগীদমক্তা খনজরবী মুপী অঙাংশিংবু থাদোক্তুনা চৎলগনি খনবদা য়াখিবা তাইবং পুন্সি অতুগা ঐনা তাইবং মীনা সংসার থাদোক্লমদাইগা খেন্নবা লৈতবনি। অনিমক চপ মান্নবা পুন্সিগী লম্বীনি। তাইবংগী মুংঙাইবা কুম্মৈবু কাউবা ভমদবা তাইবং মীওইবগী পুন্সিবু পাম্ববা হে তাইবং মীওইবা নংগী ঐগী পুন্সিসে মুংঙাইবা নত্তে খোংথাং লোনচং

লিচৎ পুন্নমকসে পাপ্পীকো। ঐনা অনৌবদগী অরিবা পুন্সি য়েংবদা তাইবংগী মুংঙাইবা পুন্সিবু থাদোকপা ঙমদহুনা তাইবং মীওইবনা অঙানববু চাক্লা চাক্লা মপী ইবা চেন্না থ.ম্ম'য় শো ঃ। ত ইবং মালেমদা খুত্নম শিংলমগা অবোইবা য়াংপ তানখিবা মংমদনা মোনু তাইবং মীগী খুবাক তিংনা চংখিবা পুন্সিনি। অব্রাবসি কাউবা ঙম্দি ঐনা ঐবু ঐনি হাযবা খংজবা ঙমলবা পুন্সি অদুদি চংখিবদগু মুংঙাইনা চংকনি। লাকপদগু হরাওনা লাককনি। হবাওনবু থাদোকনীংবা মুংঙাইববু থাদোক্লীংবা তাইবং মীওবদি পুন্সি লম্বীদা অতাংবনি। হে তাইবং মালেমগী লিলা য়াওবিবশা লিলা শান্নবা.লোইবগা পার্ট লৌবা লোইরগা লিলা শো লোইবগা মান্নরবা তাইবং মীওইবা নখোয় ঐখোয়গী থম্মোয়দা নংগী অদুনি ঐগীনা অসিনি হায়দুনা অতোংবা সংসারগী পোৎ থুদিংবু খাযরিবসে লিলা অদুগী পার্ট লৌরীবনি হায়রবসে খনবীয়ু অরানবা নত্তে অচুম্বনি। মরম অদুনা লিলাদা শাউবা য়ে থিনবা, য়েক্লবা পুন্নমক অরেম্বনি লিলানি হায়না খন্দোকপীযুকো তাইবং মীওইবা পুম্বনা। কুম্মৈগী শোগী মপুং ফান্নবা শান্নবা হোৎনবগী মথৌ ইথোনি হায়না খন্দোকপীয়ু। নংনা থৎনরিবসে কনাগনো, নংনা নখোয়দা মখোয়দা মহাক্কী নহাক্কী হায়দুন' থৎনবা চৈনবা, য়েক্লবা ওইদুনা নশাগী ঐ ঐনা তাইবং নপুন্সি ফাওবা মাংনবি অমম্লুং মাংনবা শিন্নি। নশাবু নশানা ঐবু ঐনা হাৎচবা মাংহনবা। নশানা নশাবু চৈজবা, নশাদা নশানা য়েক্লজবা। কনাদা নংনা য়েক্লরিবা, কনাদা নংনা শাউরিবা নশা নশানা নশাবু শাউজরিবা নত্রা। নশা নশাবু মাংহল্লোই তাইবং পুন্সিবু শাংগে হাযরবা, ঐনা ঐবু খংগে হায়না তাল্লবদি। নংনা মংগী ছুটি লাকপদা নশাবু মুংশিদুনা মীপুন্না নংবু অমদি তাইবং নশাবু চালহল্লু। ঐনা ঐবু খংজরবা ঐনা ঐবু মুংশিবা চানজরবদি অশেংবা

থম্মোয়না নংবু খিরবদি নং ফংগনি ঐনা ঐবুসু ফংগনি শোয়দনা তাইবং মালং অসিদা। নশানা শেমজবা চারদা নশানা নশানি খংদনা নশাবু নশানা মাংহনগনু হে তাইবং মীওইবা। মত্থবু পুন্সিদা খংদনা ঐনা ঐবু অনৌবা অরিবা শিন্নখ্রবদি তাইবং পুন্সিগী অচৌবা মালেম মাংলন মপু ঐগী পাপ পুবগনি। তাইবং মপুগী কুম্মেদা নিংথৌ শাবা মনাই শাবা মশানা মশাগী পার্ট অত্থবু মশক অমা খংত্রবদি অত্থগা নশাদা নশানা য়েক্লববদি অরোইবা মতমদা ঐতনা লানবনি হাযত্থনা থবাক্তা খুত্থম্না শূজববা নত্তনা কবি উপাই লৈবগে। মবম অত্থনা মোনু তাইবং ওইরিবা জীবশিং ঐখোয়না কনাদনো নং ঐনা শাউবিবদো। ঐনা ঐবু শাউবা য়াম্নৌবা নত্রনে হে তাইবং অপংবশা। মমিং মশিং যামগনি যুয়াক শাগে য়ামনসু লৈগনি। নংগী মাগী, ঐখোয়গী নখোয়গী হায়্রনা মাংলম তম্পাক্তা মরৈ মপুং ফানা মচা খাইবতনি পেংশক অদুদ অমত্তনি ঐসু অমত্তনি অমত্তা ঐ হায়বা পোংশক অত্থদি শিবা নাইত্রবা পোকপা নাইত্রবা মমি অত্থতগা লেংদনা অমব ওইদুনা লৈরবনি। ঐবু ঐনা খংত্রবদি তাইবং মীগী সংসারদা অনৌবা মথল মথেললনা ওইরবা ঐতা মাংবা নত্তনা তাইবং মালেম ফাওবা চেন্নত্থনা মাংখিবা য়াই। মসিদি তাইবং মীওইবা ঐগী ঐনা নখোয় ঐখোয়না: মানু মাবু চেংনা লুনা খংগদবা ওইয়ে। হে মোনু তাইবং মীওইবগা অরেম্বদা মতম মাংহনগনু অরেম্বা খোংথাংনা মালেম মপুবু লুন্নবা হোৎনগনু ঐবু ঐনা খত্থনা নশাগী নথৌদাং পাংলগা পুন্সি লমখাংদা মাংহন্দনা পুন্সি ইখম তানগদবনিদো হে মীওইবশা ও। অমুক্তা তিংথোকউ য়াদবা খোং, খুৎ, মতম য়ৌরকলবদি মতোমতা তিংথোক্নুনা তাইবং মপুগী থৌকা ইনখি।

অরোইবা পুন্সিনা মুপীনি অহানবা
পুন্সিনা ইমানি! মুপীদি তাল্লোইনি
মুপীদি ইমানি! তাইবং মোমুবু ইমা
মানা শেম্বনি তাইবং বীদাইবু তাল্লোই
মাগী ইন্দ্রীদগীনি। পামজবা খোমলাংনা
পুকথনবা। পামজবা শক কপ্পা ঐবু
ঐনা মাংহনথিবা তাইবং পুন্সিনি।

# ঐনা লোইনা উনরম্মী।

ঐনা তাইবং মালেম অঙানববু থাদোকলমদাইদা মালেম পুন্সি অসিনা ঐগা মাগা খাইনরমদাইগী মতমদা ঐগী হকচাং পোলাংনা ইরান মপু মপুংদা থরায়গা হকচাংগা খাইনরমদাইগী অরোইবা পুন্সি অসিবু থাদোকতুনা ঐনা ঐগী মফমদা চৎলমদাইদা অরিবনা অনৌবা মরা তারমদাই অনৌবনা অরিবা মরা চেৎলমদাইদা ওহাক পুংফমদা তাইবংগী মীৎকুপ পুংজা থরদ ঐনা লোইনা উনরম্মী মালেম তম্পাক্কী জীব অমসুং চিঙ্গাক থৌরম লিচৎ শুনবু। তাইবং মপুগী পুন্সিদা মীওইবা ঐখোয়না শিগদবগী তানথক মতাংদা মীত্তগী লাইজ পীরাং তোয়না শিম্থরিবসে অতৈ অমগী পীরাং নত্তেদো হে মীওইবশা। শরুতনা পোলাংশায়বা তাইবং হকচাং অসিদা ঈগী ইরম ১০৮ নি। অসিগী মমুংদা তাইবং মপু ঐবু ঐনা য়োক্তুনা থোং মাপন। ইরম তরেৎ খোক্না পাঙ্গল হকচাং পুনববু শেম্বীতুনা থম্বীরী। ঐনা মপুবু শাদুনা ঐদা ঐনা শিম্থা পীরীদো। শিম্থা অদুবু লোইরবা ঐনা ঐবু

শান্নবা অমা লোইবদা হকচাং পোলা-গী অথিংবা থোং মাপন পুন্নমক মতম চানা চানা মাগী মাগী মথৌ পা-ন্থনা মখোক লোন্ননা থোংহাংখি ইরম তরেৎসু লাইজ মুংদা লুপতুনা ইরম ১০৮ সু অপৎপা উরাগুম্না লোইনা মরাইচায়থরকই। হকচাং পোলাংদা মতাং মতাংগী ইরমনা লেপ্পলকপা মীহুন্না মতাং নায়্ননা অমমম ওইনা হুন্নকপা হকচাং ময়োন মালেম ময়োল স্নাগী থম্বাল 'লক্তা পুনবগী মতমদা মোন্নু তাইবংনা ঐনা ঐবু মুংশিনা বীদাই লৌজহনা হৌখিবা থৌরম তুংগী ৱারি মাংগী হৌখিবা থৌরম কয়াবু নিংশিংখি। মতম অত্থদগি কনাগী মবা তাদনা অচিকপদা ফমহনা ঐনা ঐতদা বীদাই লম্বীগী ৱারী শাহনা অমুক নোকই অমুক কপচৈদো। মমা দা খোকপা ঐনা ঐগী ওইবা ইমা ইচা মমা মপা মচিন মনাও, পারি পূরি শাগে নাতৈ কনানো ঐতনা ঐ ওইবর্নি হাযবা খংহনা থবাযনা ঐদা তিন্নবা তাইবং মালংদা হকচাং পোলাংনা তাইবং কুম্মৈ উহন্নবা অনিনা বীদাই লৌনরি। মতম অত্থদা ঐ হায়বা তাইবং মী ওইবা ঐখোয়না নিংশিংলি মালেম ইমাগী তম্পাক্তা থাদোক্লমদাইদা ইশানা তৌরম্বা ইশানা চৎলমবা উরম্বা থবক থৌরম খুদিংমকপু ঐগী মীত্তা শুনবু মতম অত্থদা ঐনা উরকলে পৃথিবীগী পোৎ খুদিং জীব খুদিংমক চিৎথবা লৈতনা লোয়্ননা উজবা ফংলকইদো হে তাইবংশা। মুংশিবা মখল কয়া, য়েক্লবা মখল কয়া পুন্নমকপু উনরমলগা অমত্তা ওইবা ৱাহৈনা ঐসে ঐনি হায়হনা ঐহা ঐবু অজ্ঞানবা অমসুং অমম্বা তাইবং মালেমদগী জীবনা বীদাই তৌনরিবনি। মরম অত্থনা হৌখিবা থবকপু, তৌখিবা পুন্নমকপু নিং-শিংলগা থরায়না ৱারৌবা নিংঙমদবা মৈশানা ঐ মাংলে তাইবং অসিদগী ঐ হায়বা শরুনা শারবা হকচাং পোলাংগী পোৎশক অসিদি অনৌবা লাকলে অরিবা ময়োন চোংলরোই হায়হনা কায়নবা ঙমদনা

মীত্তগী পীরাংনা মচাদা মগুদা মকপ মপাংবু য়েংলগা ঐনা তাইবংগী মুংঙাইরা লৈফমবু বীদাই লৌজবনিদো। ঐনা ঐবু খংলবা ৱারিসিবু খংলবা মীনা ইশা ঈশাদা ইতোমদনা ইত্তোমদা খংনবা চৈনবা হৌন-ত্রবনি তৌবগু তোফদে। তৌরগে খংনগে চৈনগে হায়না খনবতদা মপা মপা মশাগী ঐবু ঐনা মরু কেমহনবা ইকাইবা নংহনবা ওইনা থোকলগনিদো হে তাইবং যোমুশা। মৈ, ঈশিং, মুংশিং অমমম্বা, অঙানবা, মঙানা পুম্নীবা মহৈদি ঐগী ঐ ওইতুনা লৈগনি তাইবং মী অমনি হায়না মখল মঙানা পুন্নীভৈদা ওইরম্বা ঐ তাইবং অসিদা ঐগী জগৎ অসিদা অহাওবা, হাওতবা, ফত্তবা, অফবা, মুংঙাইবা মুংঙাতবা পুম্নমকপু থরায় পানবা জীব অমনি হায়তুনা কোয়বা চত্তুনা কোইনা পাইতুনা কোয়ন শান্নতুনা কোয়না তৌবা য়াবা থবক কয়া তৌতুনা তাইবং মপু ঐনা শেমলীবা খুংশেম থৌরম কয়া কয়াবু য়েংলম্মী থরায়শানবা জীব অমনি হায়তুনা। উপাক তিন, য়োংনা কোন্দুনা শাববা গাড়ি, ইঞ্জিন অতুবু মমুংগী মথিবোং য়াওদবা চংপা য়াত্রবা পোংশিং অতুগা চপ মান্নে। থাও রাংলবসু, মৈ রাংলবগু, মুংশিং রাংলবসু, ঈশিং রাংলবগু ইঞ্জিন অতু চংপা য়াদবগুমতুনা মখল মঙা অশি রাংপদা তাইবং মীসু গাড়িগুম্না লেপতুনা মাংগনি। গাড়িগা তাইবং জীবগা খেন্নবা থরনা গাড়িদি মপোং হোংলগা অমুক চেলহনবা ওম্মী। তাইবং মীদি অমুক হিংহনবা ওম'দ অমোংপা থরা কোংদোকলগা হান্নগী ফিভম অতুদা অতুম লৈরগা শিবা হায়বতু ওই। মতুগী মরমদি ইঞ্জিন হায়বা পোং অতুদি ঐনা রাখল তৌরগা শাবনি মরম অতুনা ইঞ্জিন্না তাইবং মী শাবদি ওম্বা য়াই। শারিবা পোং অতুনা তাইবং পুনসিগুম্না লৈবা চংপদি য়ারোই। তাইবং মীনা ইঞ্জিন কয়া লৈবদি হোংনরগা ওমগনি শাবসু ওমগনি। ইঞ্জিন্না তাইবং

পুন্সি লৈবা শাবদি ওমলোই। মরম অদুনা ইশানা পুথোকপা থবক-তগী ঐনা পুথোকপা ঐ হায়বা তাইবং পুন্সি অসি মমল অসুকনি হায়বা অককপা লৈতে। মমল লৈত্রবা তাইবং জীব অসিবু মপুং ফাব্রবা ঐনা ঐবু মশক থংগনি। ঐবু ঐনি হায়বা গংলবা তাইবং মী ঐ অদু করিগুম্বা মতমদা অরাবা ফংলোই। তাইবং মীগী পুন্সিদি অরাবা রাখল অরাবা থবক মথোনা সুংওাইবা ওইরিবনি। লাইরবসু অরাবা সুংওাইবা লৈবিবনি। ইনাকখুনবা নিংথৌমকসু অরাবা সুং-ওাইবা লৈরিবনি। সুংওাইবা হায়বসি অরাবা ময়াম্না পুনশনবা থবক অদুনা সুংওাইবা পুন্সি ওইদুনা তাইবং মীওইবা ঐখোয়না পুন্সি লেন-বনি থংউকো হৈ তাইবংশা ঐনা উরন্মী ফজবা ফুরা দলান, ফজবা মালেম তম্পাক্কী নিংথিবা খুৎশেম। অথোইবা মালেম তম্পাক্তা চাউ-রবা ফজবা চীংনা কোয়না পনশাবা। চীংগী চীংথক্তবু হাওনা কোইনবু পনশাদুনা মালেম লৈমগী পনওাকপা পোইরৈ লমদম সুংশিবী মৈতৈ স্না লৈবাক্কী ফজরবা লমজাও পীক্লবা চাউববা লম্বী শোরে'ক থেক্লা কোইনা চৎচবা অমুক হন্না চৎলরোই হায়না রাখলনবু রাজদুনা তাইবং মপুংদা কপচবনি ঐহাক্লা। ঐগী শাংলবা পুন্সিদা সুংতিগী উরিবা, সুংতিগীদি চৎচরিবা লেংলি পাল্লিবা হৈপান লৈপাল ফজ-ফজবা লৈরাংগী শক্তমা মকা লাম্না শাৎচবা। হৈপাল উপাল ফজবা কয়া কম্লানা ঐগী মীত্তবু উৎচাইবা। অওানবা মাগী মতমবু থাদোকতুনা অমম্বনা কুপ-তুনা অরোইবা পুন্সিদা য়েংজবা ফংলরোই পুন্নমকতা। ঐনা ঐবু কাউ-রগনি থনবদা তাইবংপানগী জীবনা তাইবং বীদায় লৌরমদাইদা পুন্নমক লনথুম ফজবা ফিজেৎ পুন্নমকপু থারগা পুবা ওমত্রবা তাইবং শ্বরনা কোকলেন থক্তা কুইনদি হোন্দুনা তাইবংবু ঐনা থদাংচিক্লা রানা বীদাই লৌজরি অমসুং ঐনা ঐগী পুন্সি লোইবদা ঐনা লোইমা উন-রন্মী লৈশেম্বা পুম্বা মদু থংউকো হে তাইবংশা।

# ড্রামা এক্টর

তাইরং মীওইবা ঐখোয়না মী অমা ওইরবদি ড্রামা এক্টর হায়বসি ওইগদবনি। সংসার অসিদা লেংলি পাল্লীবা হিরম পুন্নমক মালেম অসিগী মপু ওইনা আর্টিশ অসি ওইদবা য়াদে হৈদুনসু লাক্লবা মমা পুকন্নুংগীনি! মশা মশাগী খেৎনবা অমমম ওইনা লৈবত নি।

মরম অদুনা তাইবং খোংথাংদা মালেম লোনচক্লা মী পুন্নমক তাইবং জীবা থুদিংমক লিলা শো অমগী এক্টর অমা ওইগদবনি। অদুগা কনাগুম্বা মুপা অমনা মথরায়না পামজদুনা থবক অমগী ট্রেনিং চৎপা তাবরদি চহি ৬ নত্রগা ১০ যাওবা চৎনরি। মরম অদুনা সংসার মশক থংবা তাববদি অদুগা অমরোমদা ড্রামা এক্টর অমা ওইবা তারবদি থবক অমগী মবমদা হৈননবা ট্রেনিং চৎপদা চংলিবা চহি ৫, ৬ অদু শোয়দনা চংগনি। মী পুন্নমক্লা মশাগী ওইজবা আর্টস অদুদগী অথোয়বা এক্টর অমগী আর্টিশ অমা ওইনা নিংথিনা হৈগে হায়না তাল্লবদি M. A. B. A. তম্বদা চংলিবা মতম অমদি থবক অমগী ট্রেনিংদা চংলিবা মতম অদুগুম্না ড্রামাগী এক্টর অমদসু ট্রেনিং অদুগী চহি ৫, ৬ অদুমক শোয়দনা চংগনি। এক্টর নত্রগা থবক মরম থুদিংদা মী অমনা হৈতবা য়াদ্রবা মহৈ অসি রামত্রবদা মেট্রিক পাস তৌগদবনি খোইনা হেন্না হৈবনা য়াম্না যৈ। এক্টর অমা ওইবগীদমক্তদি মশাগী মহৈদা ইবা পাবা লোনবা ঙমবদা ওইরবসু য়াই। অদুগা মেট্রিক ফাওবদি পাস তৌত্রবসু তম্বদদি তমগনি। ড্রামা এক্টর অ ওইবা তারবদি চৎনবা লোন জাতি থুদিংগী ওইবা লোন অসি খংগদবনি খংত্রবসু খংননবা তমগনি। মরু ওইনা ইংলিশ, হিন্দি বেঙ্গোলী, হাওরোন, ইমারোন লোন থানা মখল মভাসি মশা মশাগী

ওইনা শেংনা থংগনি ইবা, পাব, লোনবা ওমগনি। এক্টর ওইরিবা মুপা মুপী অদুনা সংসার হায়বসিমা মরু ওইনা থংগনি। লোনচং শাজং রাঙাং লঙাং তাইবং মালং অসিদা হৈরিবা মহৈ চারিবা চিঙ্গাক সংসার অসিগী অকবা ফত্তবা, অমাংবা, অশেংবা, তুকজবা হঙোইবা, জাং বীজাং হিরম থৌরম, লোনচং শাজং, লেংই পাল্লিবা অশিবা অচংবা পুন্নমক অসি এক্টব ওইরিবা এক্টেশ ওইরিবা মুপা মুপীশিংনা লোইনা উগনি অমসুং থংগনি। সমাজগী মাংলমগী থৌরম খুদিংমক মীনা যথোয়দগী অফবা অমসুং ফত্তবা নখোয়দগী তমহন্নবা হোৎনগনি। অচৌবা হিরম মী পুন্নমক্তগী অহেনবা মী অমা ওইহন্দবা য়াদে। এক্টর ওইগে হায়না খল্লিবা মী অদুনা মশাগী মহৈদা মেট্রিক পাশ তৌগনি নত্রগা A. B., M. A. ফাওবা হৈবদা অকায়বা লৈতে। B. A., M. A. বু পাশ তৌরবা মুপা অমনা এক্টর নত্রবসু করিগুম্বা থবক অমদা চৎলুবদা মফম মফম কয়াদা থবক মরম খুদিংদা নশা নশাগী হান্না লৈরম্বা মুপা অদু হৈবা হৈতবা থিদনা ঐনা লাইরিক হেন্না হৈববনি হায়না খন্দনা অঙাং অহল খাক্তনা নখোয় নখোয়গী ঐখোয় ঐখোয়গী থম্মে য়দা হান্না লৈবম্বা মী অদুবু ঐগী ঐখোয়গী নখোয়গী ওঝা গুরুনি হায়না থম্মোয়দা চেৎনা নিংলগা মখাং শোক্তুনা মুপাশিং মীশিং অদুবু ঐনা নখোয়না ইকাই খুম্নবা উৎকনি। এক্টরদা নত্তনা থবক মরম খুদিংমক্তা মহৈতম্নীংবা ঐ নখোয় ঐখোয়গী থম্মোয়দা অহানবা ওইনা থংগদবা লমজিংগী অহানবা লম্বীনি। ওঝাদা শেবোক্না খুরুমবসি মখল কয়া থোকনা লৈরি। মপান্দা অমা থম্মোয়দা ঐনা নিংজবা। সমাজগী মমাংদা নোঙ্গবা। পুন্নমক থাদোক্লগা ঐনা ঐগী থম্মোয়দা চেৎনা খুরুমজগনি। থবক মরম খুদিংদা নোংমত্তা ওইরবসু ঐঙোন্দগী নখোয়দগী, ঐখোয়দগী হাল্লম্বা মুপা অদুবু মহৈ হৈত্রবা হায়বদি লাইরিক হৈত্রবসু ঐনা তম্নীংবা ইহৈ অদুদি মানা থংবা হানবনিনা মাবু ঐখোয়না নখোয়না ওঝা গুরুনি হায়না মাগী

কোক্তা লোগনি। মসিনা মহে তম্বগী য়াম্না লুবা থোরম অমসুং য়াফম্নি। থবক অদুগী অহানবা থোরম অসি খংলবগী মতুংদা এক্টর খংদে থবক খুদিংগী অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মথক্কী লম্বী অসি অহানবা খংগদবা থবক খুদিংগী য়াফম্নি। অহানবা লম্বী অসিবু খংলবা মতুংদদি মশাগী মহাক্কী মপুক্সি চুপ্পদা মান মানা তৌরিবা থবক মফম অমদি অফিস অদুবু চংবা অমসুং কাখৎপা তারবদা নখোয়না ঐখোয়না থম্মোয়দা য়ুম অমদি মফম অদুবু ইমানি খন্দুনা লাইবক কৎতুনা খোংনা কোম্না কাগনি। অদুগা হোল অমসুং য়ুম, অফিস অদুগী মনুংদা চংগনি। পুন্নমক অসি থবক তৌরবা মী পুন্নমক্না অমদি আর্টিশ ওইরিবা এক্টর এক্ট্রেশ অমগী থবক তৌরিবা মীশিং অদুগী তৌদ্রবা য়াদ্রবা লিচৎ শাজৎনি। মুপা অমসুং মুপীনা ড্রমাগী এক্টর এক্ট্রেশ ওইরগে খন্দুনা চংলক্লবা মুপা মুপী অদুদা অহানবগী থবক কয়াবু পাংথোক্লগা মনুংগী থবক্তা অহানবা অমা ওইনা হোল অদুদা মমিং হেক লৈখিবা মুমিৎ অদুদগী হৌদুনা হোল অদুবু মশামক্কী হোলগুম্না খন্দুনা ফজনবা নান-নবা শুমজিৎ পায়দুনা অঙাংনা অঃ আঃগী লাইরিক তম্বগুম্না হোল অদুগী মনুং অমসুং মপাল ফাওবা য়াইরম-শিংকনি ফজনা নালনা য়াই-শিংপা তমগনি। হোল মনুংদা শিংপা য়াইশিং। মপান্দা শিংপা য়াইশিং করম্না শিংপা তাবগে হায়রবসি এক্টর, এক্ট্রেশশিংনা অমদি আর্টিশ ওইরিবা মী পুন্নমক্না অহানবা খংগদবা ড্রমা আর্টিশকী অহানবা মখল অমনি। য়াইশিংপসি য়াম্না লাই অদুগা মীপুম্বদা তমহনগদবা য়াইশিত্তী কুপ্না থিজিন্দবা য়াদবনি মরম অদুনা অহানবা এক্টরগী য়াইশিংপা তম্বদা থা অহুম চংনা য়াইশিংদুনা লৈগনি। মদুগী মতু দা থা অহুমদগী হেক হেনবদগী হোল মনুংদা ফমহন্দুনা লিলা য়ে বা তম্বীগনি। থবক কয়া কয়াগা লোয়নদুনা মশাদা মী অমসুং শিংনচিংবগী এরেঞ্জমেন ওইদুনা থা অহুম অমা লৈগনি। হায়রিবা মরমশিং অসি ড্রমা এক্টর এক্ট্রেশকী শো লিলা ডিরেকসনগী মনুং চনবা আর্টিশকী

অচৌবা থৌরম অমনি। মসিগী মতুংদা থা তরুক অমনা গেস্ত্রা থমদ্না লিলা শো উৎপগী গেৎপুহন্দুনা লৈগনি। মতুং থা অহুম অমনা মপালগী এরেঞ্জমেনদা লৈহনগনি। থা অনি অমনা হোলদা চে মপান্দা লম্বীদা শোগী চে থেৎপা তম্বীগনি পোষ্টর চে করম্না থেৎপা মাইক লাওহুনা লম্বীদা ব্রা ঙাংহুনা মীনা তারগা লিলা শো অহুবু য়েংনিংনবা ৱাহৈ-ৱাতা পুম্নমক তম্বীবদা থা অহুম অমা ট্রেনিং পীগনি। লমঙ্গাও শোরোক লম্বী কয়াদা হোল মনুংদা মাইক্রোফোন পায়হুনা থবক্কা লোইননা তম্বীগদবনি। অঙৌবা চেদা মশা মশানা তুরি অমদি পয়া, চৈনা শাবা তুরিনা লাই অমদি লাইরিক ময়েক ইবা তম্বীগনি। অস্নুম্না মরম থর অসি মশানা কোমনা থবক অসি পাংথোকপা ওয়্নবা মতুংদা লিলা শান্নবা শো মুমিৎ মুমিৎকী টিকেৎ য়োনহন্দুনা বুকিং ওইহন্দুনা থা অহুম টিকেৎ য়োনবসু তম্বীগনি। মসিদগী মতম শরগী মতুংদা থা তরুক অমনা হান্নগী য়াউরিবা এক্টরশিংনা শো থোকপা মতমদা মানা অসিদা মানাঅসোমদা হায়্নবা মহাক্লা ময়ামবু কাইদনবা শিনবা তমহন্দুনা হোল মনু দা চংবা হৌরগনি। অহুগা শো খুদিংগী এরেঞ্জমেন ওইহুনা এক্টরশিং এক্ট্রেশশিংনা তৌরিবা মওং মতৌ অহুবু তমজনবা য়েংহন্দুনা থমগনি মতুগী মথংদনা হোল মনুংগী শিল্লনচিংবা শেম্না খোৎপা শিন শান্নবদা চহি অমা ট্রেনিং ওইনা লৈগনি খংও। শিল শান্নবগী মতুংদা লিলাগী লাইট শাম্নবা তমহুনা চহি অনি লৈগনি। মতুদগী শোদা খোংলিবা জন্ত্রা কয়াগী শাউন মেকপ তম-গনি হকচাং পেন্নচিংবা তম্বদা থা তরুক অমা চংগনি। মতুদগী পুম্নলক হৈরবা মতমদা এক্টর অমা ওইরহুনা নশানা লিলাগী পাট মচা মচা থোকপা তমগনি। মতুনা চহি অমা চুপ্পা লৈগনি। এক্টরশিংনা হৈগদবা সাঃ রিঃ গঃ মঃ গী শুরগুম এক্টর ওইরবা মীশিং কয়ানা খংগদবা শুরলিপী খরা লৈরি। অহুগুম্বা মাত্রা শুরলিপী অতুগী মরম হৈন্নবা অমসুং থংন্নবা চহি অনি চংনা ত্রেরনিং লৈগনি। অসিগুম্বা মাত্রা,

শুরলিপী মখল শুনা ট্রেনিং অসিবু পাশ তৌববদি শোয়দনা অফাওবা এক্টর অমা এক্ট্রেশ অমা ওইগনি। এক্টর অমা এক্ট্রেশ অমা ওইবা তারবদি মী হায়বদি মুপা মুপীশিংনা য়ামত্রবদা চহি ৬ নত্রগা ১০ দি মতম মাংনা ট্রেনিং লৈগনি অদুগী মতুংদা মশা মশাগী থবক অদুগী মওং মওংদা থবক পাযথগনি। এক্টর অমদি এক্ট্রেশশিংনা খংগদবা শুরগী মমিংনা "বীর, করুন, হাশ্য, শিঙ্গার, ধিকার মের্ব" শুর তরুক অসিবু মরু ওইনা খংগদবনি। অসিগুম্বা শুর অসিদগী অতোপ্পা শুব মান্নবদা শুর অহুম অমা লৈগনি অতপা, অরাংবা, অনেম্বদা খোঙ্খোক অহুম থোক্লা শান্নবা তম্বা অসিনি। মসিগা পুনগা ম ত্রা শুবলিপী মাপল লৈগনি। ময়েক মাপল শুবলিপী অসিদগী শুর ৫৪ ফাওবা থোক্তুনা শান্নবা শুর লৈগনি। মাপল শুর অসিনা অমমমগী ওইবা মাত্রা তরুক থোকনা শিজিন্নগনি হায়বদি রাহৈদা খোঙ্খোক্তা, রাঙাংদা শাঙাংদা মিংগোদা হায়রজবা নোনবা লিচৎ শাজক্তা শিজিন্নগনি। মখল তরুক অসিগী মমিংনা বীববু অকনবা, হাশ্যবু নোকপা, সিঙ্গারবুনা মুংশিবা, করুননা কপ্পা, ধিকাবনা থম্মোয চাক্লা হায়বা রাহৈ, মের্বনা অঙাওবগী থৌরম অসিনচিবা অসিনি। মখল অসিনা মখল মাপল ওইনা পুথোক্কদবনি। মতুদগী মখল ৫২ ফাওবা পুথোকতুনা শিজিন্নবা য়াবা শুরনি। এক্টর অমা এক্ট্রেশ অমা ওইরবদি সংসার অসিদা লৈরিব মরম পুম্নমক হৈগনি। মখল শুবা মহে হৈগনি অদুগা অশেংবা নত্তনা শো থৌবমগী ওইনা হৈগদবা মরু ওইবা থবক যুম্বাল কৈবাল। রাঙাং শাঙাং, লিচং শাজং অফবা অমস্যুং ফত্তবা। মখল অমনা হন্নানবা, জুবার, ফুরিংখাও চপপা, বোল শানবা, হোকি, ক্রীকেৎ-নচিংবা হৈগনি। য়ু থকপা হৈগনি য়ু ঙাওবা হৈগনি। হন্নাগাড়ী থৌবা, শাইকল, মোটর গাড়ী থৌবা শেম্বা হৈগনি। ফি শাবা, লৌ উবা থোইবা পুম্নমক থোইনা হেন্না হৈত্রবস্যু শো অমদি থবক অদুগী মওং মান্নবা হৈন্নবা তমগনি অমস্যুং হৈগনি। মশা মশাবু য়ামত্রবদা

ফুট ৫ নম্রগা ৫॥ রাংগনি! থবাক কোনবদা ইঞ্চি ৩৬ কোনগনি। মশম মুগনি হি হোনবা, শগোলতোংবা, মীহাৎপা থাং হায়নবা থাং-নথিনবা তা-খৌশাবা জগোই ইশৈ। মী হাৎপা ফত্তবা থবক্তি চাননা থবক তৌগদবা নত্তে শোগীদমক্তা তমগদবনি হিরম শুনা চাননা তৌগদবা নত্তে। শোদা মীংকী কুম্মৈদা লিলা হায়বা থৌরম অসিদা নত্তবা ঙাক্তনা মালহন্দুনা শো উৎলিবা মালহনবা অতুগী থৌরম অতুবু আর্টিশ কৌই। অতুগা য়াম্না লুবা অমনা হৌজিক্কী চৎনরিবা সাইন্সকা আর্টিশ অসি, সাইন্সতগী আর্টিশনা থাক য়াম্না রাংবা হেল্লি। সাইন্স-তগী আর্টিশনা মগুণ হেনবা থাক রাংনা লৈখিবদগী আর্টিশগী মগুণ লাম্বা ফংদতুনা আর্টিশতগী সাইন্সনা থাক রাংনা লৈবা হেনখিবনি থংবীযু। সাইন্স হাযবা পোশ্‌ক অসি অঙা শিংগী শান্নপোৎকুম্বা পোৎশক অমনি। মতুগী মবমবু হুায়ববদি চাথোকখগা লোইববা কান্নত্রবা অঙাংশিংগী শান্ন পাৎশক অমনি সাইন্সতি মাংখিবা নাই। আর্টিশতি মাংবা লৈতে মুৎপস্যু নাইদে। তাইবংনা লৈরিবা মহৈ পুম্নমক্তা শোগৎলবা পোৎশক অমগুন্না শৌতুনতা লৈগনি থংউ। মতুগী মরমদি মালেম লৈশেমবদগী লোইনতুনা লাক্লবা জীবনা হেক লৈবদগী পোকপদগী য়াওবক্লবা অমসুং তাইবং মীনা হংঙা হান্নতুনা খোম্থোকপা অমদি কপলিবদো হংদুনা ঙাদুনা থোরক্লবনি মদুনা মরম ওইদুনা হেক পোকপা অঙাংনা হংঙা হান্নবা আর্টিশ অদুবু লোইনদুনা লাক্লবা আর্টিশকী অরা বা থাক্লি থংউ। মরম অদুনা সাইন্সতগী আর্টিশনা হেন্না রাংনা লৈ হায়রিবনি। অপংবা মী, মী ফত্তবা, অতনবা থবক শুনিংদবা রাখল খনবা মীনা সাইন্সকী মরমদা হৈবা হেল্লি। মরম অদুনা লৈপাক মাংহনবা ওম্নবা মখোয় অসি মী ফত্তবা মশাদা শান্তি পামদবা মীগী মরন মথুম লৈপাকনা চৌংবা লেম্না পাম্বা মী অমনি হায়দুনা লৌবদা অকায়বা লৈতে হায়না লৌবদা থোইনা কায়বা লৈতে হায়না থল্লি। অঙাংগী শান্নপোৎপু পুথোকতুনা লৈপাক মাংননবা

শিল্লিবা, জীর মাংননবা শিল্লিবা সাইন্স অসিবু অঙ্করা প্নোং অমনি হায়রনা য়ৌরবদি রাক্ষম অত্তু অঙ্করা রাক্ষম ওইরবসু হায়মনবা রানি হায়না লোগনি। তাইবং মালেম মপু অসিনা মায়েম লৈথক লেখা অসিবু মরোল মাপল মাপলনা থোক্লনা শেমথ্রবনি। থক্লা লৈরিল্লা য়োংনা মথোল মাপল, মখাদা লৈপাক্কী মথোল মাপল্লনি। মসিগী অকোইবা মালেম লৈকোই থক-খাদা অঙ্গংবা, অশারা, মুংশিং, অময়া, অঙানবা অসিনা পুল্লগা থোকপা মমিদা মখোয়না থক্তা কাহনা য়ৌ হুগনি ইংখোল্ল কোইত্তুনা প্নোংথাগনি হায়রিরসি খাদদি য়াই খাদগী য়ুম্বা থর খেন্নবা মরম লৈরি মরম অত্তুনা মখোয় মখোয়না অপংবা য়পাল থোক্তুনা কল্লকতুনা কুমজাওবা থোকতুনা মপুন্সি মরন য়াংলগদয়া সাইন্সনি। মথাদদি মালেম তম্পাক ওইবনা ইনাংগী উক্তুয়া মেনবনা তৌনিংবা থবক কয়া তৌবা য়াই। থক্তুদি মনিলগী লৈরোন ওইবনা করিসু তৌবা ঙমল্লোই হায়বসি লেখক ওইরিবা অপংবা ঐনা লাইনা হায়বা ঙমজরি। মখোয় মখোয়না শারিবা পোংশিং অসিদসু অঙাং হুরাওনবা অঙাংশিংগী অঙকপা শান্নপোং অমমমনি। শান্নপোং অসিতবু অঙাংগী ওইবনি অঙাং হায়বা মীরম অদুগী মতম হেনথ্রবদি অরেম্বা থোরম্নদা শান্নরা য়াদে। অঙাংশিংনসু পুন্সি চুপ্পা শান্নপোং থম্বা লৈতবনি। পীক্লিঙৈগী থবক কয়াদি শান্নপোং কয়াদি লৈরমগনি ঐগী ঐনা শান্নবা থনম্বদি য়াই। ইশ্বা মশামক্তুদি শান্নবা লৈতরনি। প্রমাণ অমদা হায়রগা খাবু মুমিংপু হনুমানগী অঙাং রাখল্লদা মরিত্তা কোমল্লানি হায়দুনা চাগনি হায়দুনা মুমিংপু ফারুই হায়রবসি রারিদা লৈরম্নগী নোকতুনা পংতা তাবনি রাক্ষম অদুমক্তা থাজবা য়ারা রাক্ষম ওইরোই। খাদা লৈরা থাদা কারা মুনিত্তা পোং থাবা হায়রবসি হক্লকী ঐগী ঐগী পুল্লিনা লৌরিবা ঐগী মপোক্তি থমদুনা তাইবং মপোক মাঙ্গ রদম্ন থাজ্জগনু।

# ইশাগী রাখলদগা থোকপসি

মুহোন ঐনা মুহোন থিয়েটর হায়বা মিংথোনদুনা মণিপুরগী মফম কয়াদা সমাজ লিচৎ শাজৎ তম্বীবগী মওং ওইরবা শকরুম লৌদুনা লিলাশিংগা মমিংশিং। লিলা অসি ইশানা ইজবা ইশানা শেমদোকচদুনা লৈপাক প্রজা কয়াগী মফমদা উৎখরবা শো খুদিংদা খুদোংচাবা ফংখ্রবা লিলা ভলমনি। মুহোন থিয়েটর হায়রা লিল্লাগী হোল মমিং অসিগী মীংথোল লৌবসি ইংশোক ১৯৪৮ দগী হৌদুনা ঙসি মুমিৎ অসি ফাওবদা লেপ্তুনা শো উৎলকপসি চপচানা চহি কয়াগী মপুং ফারবনি ঐনা চাউথোকপা পামজদুনা রারিনবদি নৎচদে তুংগী পুন্সিগী রারিনফম ওইনবা ঐনা থোরমশিং অসিবু ফোংদোকচবনি। ড্রামাগী এক্টর সিনেমাগী এক্টর ওইনিংলুবা ঐগী থংমোয়না পামজবদগী চহি ১০ শুবদগী মাংওাপ্তা, য়োংখমদা ফিন খুন্দুনা লিলা শান্নরী শান্নরকপনি। ঐনা পামজবদগী লিলা ড্রামা সিনেমা অসি ইমা ইপাদগী শেল লৌদুনা থরাই য়াওনা য়েংলকই। শ্রোক ১৯৪৭ তা রূপমহলনা থাংজাবাৎ মপান্দা লৈরিঙৌদা টিপুহুলটাল হায়বা ইতিহাসকী শো অমা য়েংখি। মদুদগী শোক ১৯৪৮ গী অহানবা থাদা এরিয়ান্দা কালাপাহার হায়বা শো অমসু য়েংজখি। হায়রিবা শো অনিসিদ্রা কুমখিবা এক্টর এক্ট্রেশশিংনা লৌরিবা পাটকী মশৌশিং অহুবু উবদা ঐ থমোয়দা ড্রামা এক্টর ওইনিংবগী মথৌবু অমুক হেন্না অচৌবা থৈরা অমা লাকপদগী শোক ১৯৪৮ দগী ইশাগী ইমিংদগী মিংথোল লৌদুনা ক্লাম্বিং হোল অমা মুহোন থিয়েটর অসিমা লিংখদুনা ইশানা ইজবা ইশানা শেমজবা লিলা অমা এম, ডি, ইউদা অহানবা ওইনা মপুং ক্লাবা এক্টর অমগী মথৌ অসি পাংথোকচখি। ইশানা লিলাগী এক্টর অমদি রাইটর ডাইরেক্টর ওইরকপদা ঐগীদমক্তা অতনগা ওখা লৈরক্লে। অদুবু উরোক্লা ওখা লৈতে হায়বদগী মখয়াৎ শেগাইদুনা শিখি

হায়বগুমলদ্‌না ঐগী ওঝাদি ঐনা য়েংজরুবা শো অদুগী এক্টরশি, অদুনা ঐগী ওঝানি। মরু ওইবা অমনা নোংমতা ওইরবসু অসুম অসুন্না লিলা থোক্কনি। অসুম্না লিলা ইগনি হায়না তাকপীরম্বা ঐগী অশেংবা ওঝা গুরুদি লাই ওনখ্রবা মনিপুরদা অমদি দিল্লী সেণ্টরদা মনিং চাউনা ওসি ফাওবা মনিপুরগী ড্রামা ডিরেক্টরনি হায়না লৈবিরম্বা মগুণ চাউরবা লাইরবা মচাগী থরাই রাখলবু হাপ্পারম্বা ৺শোবোক-খাইবম পাবুং ললিতসিংহনা ঐগী ওঝা গুরুনি। গুরু অসিগী খুযাগী উফুল মরিক অমা ফংজহৌবদগী ওসি ঐনা লৈপাক্কা মমাংদা এক্টর অমনি রাইটর হায়দুনা ইজবা ওমজবিবা। ডিরেক্টর অমা ওইদুনা লিলা শো উৎপা ওমজবিবা অসিগা৺মক্তা ঐনা গুঝা গুরু অসিগী লমংদী শিংবা ওমদনা মালেম লৈদা তিনথ্রগদবা ঐগা তাহব প্লান্স ন। গুরু অসিগী কৃপাদগী ঐনা হোৎনজবকপা লিলা ওলমশংগা মমং মথাদা ইজরি। অহানবা হোল শঙ্গাবা মামত্তা শারবা অহানবা পুন্সিগী লিলাদি গুলাম ডাকু, মনিপুর শাস্ত্রী, বোকুল পরেং, পুন্সগী হৌবকফম, কনানা মাংহনবনো, মৈতৈ বুক পাখংব। নোনা পাখংবা, কুন্দো পরেং, জজ ৬১, লাইরবা, মাডব মনিপুর, চাইনা রাব, আইন সভা পামদে, মৌ লুহোংবা, তুবা লাইরেন পাখ ব, কনাগী রাশক.না, মরুপ অনিগী রাশক, শোক ১৯৪২, মপামচা, লমন খুম্বা, লাইনি বী, থাশিগী অহিং, বাইপুবান, ইম্ফাল নো বাল, পুং ২৪, ঐনা হুরানবনি, পাগলা ডাক্তর, মুমিৎ থানবা, জোকর মণ্ডা, মংগী শগোল, ধর্ম্ম অনি, রাজেনগী পুন্সি, মনিপুর কনশি, অনৌবা সংসার, অঙাওবগী লো, অশানা নিংথৌ ওইবা, নংসু অমাংবনি, মুপী অহুমগী মরা, চণ্ডাল ৩২, জগৎপুরী মুপী, শাস্ত্রীবালাগী লৈচল, ভারিয়ান চৌং, পাকিস্তান ওর্ম্বা মহাপ্রভু, নিঙোল চাক্কৌবা, ইরৈবাক কনসি, মুপা তরেৎকী মুপী, বীলাশিনী স্বয়ম্বর, সেভেন নয়া পৈশা, চহি ৭০ দা লুহোংবা, শীংজংগী পাখং লৈশাবী, জাতিগী শোমীলা, লিকলাং পরেং। অমত্তা

ওইবা পুকচেলনা শেননগংসি, চোইটি চোইখৎ, থু লয়ে চৈতুপ। লিলাশিং অসি শোক ১০৪৮ দগী লেপ্তুনা ঙসি ফাওবদা ইজরকপা ভলমনি ইশানা লৈরিফাওবা লেপনা মথং মথং ইজগনি।

মুহোনশিং, মুহোন থিয়েটর ইম্ফাল।

রাইটর, ডিরেক্টর অমসুং প্রোডুসর মুহোন থিয়েটর।

কৈশামথোং তোপ লৈবক ইম্ফাল মণিপুর।

---

# হৌখিবা অমসুং হৌজিক

চহি চা কয়া কয়াগী মমাংদগী মীতৈ 'হায়বা লৈপাক মণিপুর হায়না খংনরবা মালেম তম্পাক অসি মগুণ য়াম্না চাউবা মীথোই মীহেনবা ইরৈবাকনি। মরম অমদা হায়রবদা মথোনা লৈবা মণিপুরনি। লাইরিক হৈবদা মীতৈম্না লৈপাকনি। মহৈদা লৌশিংদা মপাঙ্গলদা মপা লৈরমদে। নোংমৈ মরুগা থাংগ পান্নতুনা য়েক্রবা লাংহৈংনবা ওম্বা লৈপাকনি মসিগুম্বা দেশ লৈপাকসি মণিপুর নত্তনা করম্বা লৈপাক লৈখিবগে। মবম অসিদগী লৈপাক দেশ কয়ানা শোম্নরীবা শিংথানরম্মীবা মীতৈ লৈমগী অঙকপা লিংজেল্লি। মণিপুর করিনা মমিং চৎহল্লি, মথোনা মপাঙ্গল, মরিংজেল অসিতা নত্তনা মমিং চৎহনবা মগুণ হাপহনবা জগোইনা। জগোইনা মীতৈবু কিনা মীরৈবাক্লা ইকাই খুম্নরম্মী মত্নগী মথক্তা মীতৈগী ধর্ম অমসুং লোনচৎ শাজৎনা কিহল্লি। অত্নগা মশা মশাগী মগুণ চেন্দ্রবগু মশাগী মথরাই কত্তুনা মপুবু মনাইনা, ওঝাবু শেবোকনা সহীত ওইনা অরাংবা থাক্তা থাংগৎলম্বা মনাই অমসুং শেবোক্কী স্না লৈপাক মণিপুরনি হায়রবদা অকাইবা লৈতে অসিগুম্বা ফজবা নিংথিবা মগুণবু লৈপাক অসিদা লৈরিবা অপংবা

তাইবংনা ইশা ইশানা মশা মশানা শাগে য়েকশলাইবু মাংহনজবা ওমলল্লবা থাইনগী ইশা ইপু অওব অথৌবা মিংথোন কযানা মৈহৌ-রোন্দগী কাইরকপনা মীতৈ নৈপাকনা তুং তাবকপফাওবদা ফগদবা চাউখৎকদবা লৈত্রবনি। ইজাতিগী ঈগী মরু হুনদ্রবা মীজাতিগী ঈনা মরু হুনখ্রবা মীতৈনা, ঐদি মাতৈনি হায়রুনা ওসি ফাওবদা করিগুম্বা অমত্তা খংদনা মংদা হিংহুনা লৈরিবসি নোকতবা ওমদে ঐগী থম্মোযদা ইশাগী ইবম কযা শে দনা মীবু নোক্লবা চুমদ্রবনি ইশান ইশাবু নোক্লখো। ইরম শেংদহুনা হৌজিক অসিদা মপাদা মচানা থাংনা য়্যানবা ওম-লকলে। মমাবু ঈ চুপতুনা মমাগী ইজৎ যোম্থোকপদা লাইনা ওম্ল'ক্ল। মীতৈগী মাইচৌ পণ্ডিত কয়ানা লাওহুনা হায়রম্বা থনম্বা মাইচৌগী কুয়াদা ইহুনা থনম্বা। অফবনা লাওবা অমোৎপনা লোৎলগা মীতৈগী মৈবা ওইরম্বা অসিগু নোকচনিংই। অসিগুম্বা তাংলবা পোৎশিং অসিবু অহানবা থিরম্মী। হৌজিক্লা মহৈ হৈবা হেনবা অশিংবা শাবা য়াম্না লৈবদগী অহৈবা অশিংবা অখংবা শাহুনা খুদোন্‌বীনা থিন্দুনা অসিনি হায়রুনা পোৎশক অহুতবু থিন্দুনা তাকপগুম্না তাকলবনি অমসুং উরবনি মখ'ও হে মীতৈ শলাইশা। পুয়াদা ইরম্বা ব্রাহৈ খরদি উবা ফংলবনি থবক্লা থোক্লকপদা মানী হায়বা ওমলবা মথৌশিং পুন্নমক নং ঐগী ইমিত্তা উরবনি। মুং তাওগনি মতাওররেদো। লশিং লুপ-কনি লুপথরে লশিং তাংলে উরক্ক্রেদো। রাতোন্দা উকুনা লাউরগনি নোংমা লেপতনা লাউররে নোংমা লেপনা লমজা শরা লাওবগুম্বগী মখোল মাইকনা। মুকাকলৈ মরুনা শাৎলনি শাৎলবে। মোইবাংনা নিংথৌ ওইরনি ওইগ্রেদো উখ্রবনি ইমিৎনা। হাওনা নিংথৌ ওইরনি, পাংকী থম্বালনা স্না কম্বাল তোংহুনা ময়োল মনাও তাবদা লৈবাক অসি মরু ফংনা কেমগনি কেমলেমদো। মালেম তম্পাক মরু লিংলরোই প্রজাগী মরা চৎলগনি চৎলরে। থাইনগী মমামচা মচিন মনাও শাগে নাতৈ, ওাইশেন মুংশিনদবা নরুবা মুমথনেবা

ঙ্গেংথিনহুনা মীনা হাংনবা মুংশিনদবগী পুকচেল অহু হৌজিক মনিপুরদা হৌরকপা নহারোলশিং মুপী মুপা অঙাং অহল খায়দনা মীতৈগী হান্নগী অমাংবা লিচৎ চৎপা হাওগুম্বা শাক্লং ধর্ম্ম অহু চপচানা চৎলবনি অমসুং থোকলবনি। হাও, ময়াং, পাঙল, সাহেব জাতিশিংদি চহি চা কয়াদগী চৎলকপা মাগী মাগী মশা মশাগী জাতিগী ওইরবা ধর্ম্ম অহু ঙসি ফাউবদা কাইদনা চৎনরি। মীতৈদি ধর্ম্ম অশেংবা কাইহুনা হান্নগী মীতৈ ধর্ম্ম অশেংবা চংলবনি। মুপীনা য়ু থকলে, অঙাংনা থাং পায়হুনা চারোন্নরে, অহলনা মহুগী লমজিংবা ওইরবনি। থাইনদি তাইবং মোমু মীতম্বা অহানবদা মপা মচা খংদনা লৌনরম্বা ওজাং বিজাত থিনরমদে অহুগুম্বা ধর্ম্মগী ফিবম অহুমক হৌজিক মীতৈদা কন্না চৎনরবনি। মতৌ তম্বা হৈতহুনা শোয়বদগী চপচানা হনজিল্লে। মসি চাউখৎপা নত্তে ময়েং তাবা তম্বনি হায়না খনগদবনি। মারৈবাক মচানা মশা মশাগী জাতিবু অরাংবা থাক কান্নবা হোৎনরি, মীতৈ ঐখোয়না ইশা নশাগী ফত্তবা থৌরম থাক কান্নবা হোৎনরি, মীতৈ ঐখোয়না ইশা নশাগী ফত্তবা থৌরম পুথোকতুনা ইজাতিগী লৈখা তাননবা মাংননবা মশা মশাগী ইশা ইশাগী ইথোনা নথোনা কয়া পুথোকনরি। মালেম তম্পাক অসিদা হায়বদি পৃথিবীগী মফম পুম্নমক্তা লৈরবা লৈপাক দেশ কয়াদগা মহে হৈবা লাইরিক হৈবদি মীতৈশ্না লৈবাক অসিতানা হায়না লৌবদা চাউথোকনা হায়জবা ঙমগনি। য়েংবতদা খংবতদা হৈরবা মমিত্তা থম্মোয় রাখল পানবা মীতৈনি। থবক অমা পাংথোকপদা মাগী মথো অহুদগী হেন্না অফবা পুথোকপা ঙমলবা মীতৈনি। অদুবু হৈরল অমসুং খুৎলাই শেল রাৎপদগা থবক খুদিং থম্মোয়দা ফুমদুনা থনম্নগা মপান থোংদা উৎপা ঙমদনা পুন্সি কেমখিবা ঙাকনিদে।। মসি করিননো হায়রবদা মীতৈ ঐখোয়দি ইশামা তৌজবা থবক অদুদসু ইশানা থাজদনা হুম্নবদা ধর্ম্ম অমসুং লৌশিং পুমনক লায়না মাংহল্লি। জাতি কয়ানা মশাগী লোন অমতদা

ভাংজরগা মহৈ তম্মনি। মনিপুর শ্মা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীতৈ ঐখোয়দি ইরোল নত্তবা লোল কযাদা ইহৈ তমজবনি। হশাগী লোলনা ইহৈ তমজববা ইরন তানবদা ইব্যাই লাইনা থবক হিরম খুদিং পাং- থোকপা ঙমগনি। মীজাতিগী মরোলনা মহৈ তমবনি।

মীতৈ ঐখোয়না অমম্বদা থা মৈ থাংগা থাংমৈ মঙালদা উববা ময়েক্ত মারগা থবক ঙম্মবা হোৎনবনি। মীতৈ ঐখোয়না ইহৈ তম্বা ইরন তানবা অসিদি লম্বী অনালবদা চৈশু পাযত্নুনা চৎপগুম্বনি। মখোয়গী জাতি অতৈদি লোন অমা থংলবা পৃথিবী চৎপা ঙম্মী। ঐখোয়দি লোন তাম্মানিনেথোই খংদনা চৎপা য়াদে। অনি অসি কন্নাম্না হৈবা খেন্নবগে হায়রসি ঐখোযনা থংই, জাতি অতৈনশু থ জবনি। মখোয়গী লোন্দি নোংমা নিনি তিম্নবদা মীতৈ ঐখোযনা লাইনা ফাব ঙম্মি অত্নুনা জীব হিংনবা চৎখিবশু ঙম্মী কনাগী মতেং য়াওদনা ঐখোয়গী মীতৈ লোন্দি মখোয়না হৈননবা তম্বা তাববদা চহি অহুমদা থংবা ঙমদে, থংলবশু শেংনা ভাংবা ঙমদবা মীতৈগী চাউরবা গুণ অহেনবা অসিনি। মবম অত্নুনা জাতি খুদিদগী মীতৈনা লাইরিক্তা থবক কয়াদা মহৈ হৈবা হেনবা জাতিনি হায়বসি চাওরাক্লা হাযবা ঙম্মী। লৌশিনবা হৈত্নবা থাইনগী লোনচৎ শেংলক্কবনা মীতৈনা ঙসি ফাওবা চাউখৎপা য়াদত্নুনা লৈখা তাত্নুনা লৈবা লৈপ ক অমা ওইরিবা অসিনি। মীতৈ ঐখোযদি ইপা ইপুগী লমচৎ লৌত্নুনা ঐখোয়না মহেক্লে হাযবা হে তোংবা পুকচেল অমা চেল্লি মসিমক মৈহৌবন্দগীমি মরম অত্নুনা চাউবদা অমনা য়েথনবা ক্লেরবা অমদি সি, ব্লাই, ডি, শাত্নুনা হোৎনবা মীতৈগী ধর্ম্মনি। ঐনা হেল্লি মহাক্লা তৌজবা শারিবশে হায়বা পুকচেলনা তৌগদবা থবকপু লৈথাইবা যাম্নবা মীতৈ লৈপাক ওইখিবনা ঙসি ফাওবদা থবক খুদিংমক চাউখৎপা ঙমদত্নুনা লৈরিবশিনি। মীখুদিংমক্লা থবক তৌরকপদা থবক অতুগী মক্ল খংদনা হাম্না ওবা গুরু শানিংবা পণ্ডিত হন্না ওইনিংবা অশিনা মীতৈ ঐখোয়না

মাংলিবনি। ঙমনদি চম্প্রসি ওইরগা অফিসর শাক্তনা শিম্থাবসি মসিনা হৈনবদগী লৈখা তাল্লিবনি মতৌ তমবদা মাংলগদবা ইবৈবাক মনিপুর অসিবু মীতৈ জাতি পুম্নমক্কী চারিভৈদা অচুম্বা লম্বীদা পুক্তুনা শেম-দোকহৌসি। মাংলেম লেপেন্দা চহি লিশিংনা শাবা যুগ অমা লোইরবান। কললকীনা থাং পায়তুনা চোংথোক্লবদি যুগ অসি লোইরে হায়না শিংখারম্বা কলকী তংখাই চল্লবদি। মরম অতুনা নহারোননা থাং পাইদুনা য়ানন্নরিবসে অতৌ অমা নত্তে অনৌবা যুগ হৌননবা অরোইবা যুগকী থৌদাং য়ারকপনি। মতম অসিদা মীতৈ পুয়াগী রাহৈনা লৈমা কোন্দা লোৎলু হায়রিবসি অতৈ অমা নত্তে মুপী ওল্লু, মুপীগী পুকচেল চেললু হায়বনি। মীনা ঙাংবা খুমদবা, চৈবম্থু তারুম্থ। নপা পল্লে নোক্কুনা তাউ। নমা পল্লে খাচিক্কুনা খাংলগা নাওন্না নত্তে থল্লোকউ। মসিনা যুগ অসিগী সিদ হিদাকনি। মুপীবু লৈমা কৌবনা মুপীগী পুকচেলবু লৈমাকোল কৌবনি। শৌজিক মনিপুরগী ফজ্রিবা ফিভম অসিবু কনগে হায়রবদি অহানবদা মাতৈগী হৌরকপা নহারোন-শিংগী অঙাওবা রাখল চুমদবা অসিবু লৈমা কোন্দা লোৎলগা থম্লোম্ম রাখল চুমহনবা লিচৎ শাজ্জৎ তম্বীবা হায়বসি মপা মমাগী থরাইদগী চাউবা ওঝাশিংগী মথৌনি। রাহৈ অমনা থোকনবা থৌরাংলি তিং-তিং চাউরোকো, পারি হৌদোং লম্হোইবা। মুমিংনা কারিভৈদা কাহৌরো, থবীনা চাউরিভৈদা চাউহৌরো হায়রিবসি হৌজিকী যুগকা চপ চানা য়োম্রবনি। অতোংবদা লৈথোনবা অকুৎপ্পদা লৈভৌবা হায়-রিবা মতম অদু হৌজিক্কী যুগ অসিনি থংও। খাংবদা খাংউ, চেক্তা চেকশিল্লু, চেকী য়ুম শাগনি হায়বগী প্রমাণ শোইদনা ফংলক্লগনি। পোৎ চারগা শাইবা কল্লগা ওইনম্বা খাংবা কল্লগা ফমেল ফম্বা। ঙাংবা কল্লগা মাইকী চংতুনা নিংথৌ মনাক নক্কুনা অচৌবা শাবা মাইবা মাইকীগী যুগনে থংও। অরোইবা যুগতা থাংবা ঙমলবা মোম্বু ভাইবংনা পুম্নি মম্মোন ফংনা লৈগনি হায়রবসি থংও। ইপা ইপ্পগী

ৱাহৈদা মীতৈ পুন্নাগী পাউরৌ কয়াদা ফো শংবাই অসি উতোং হুম্ফু মরিনা শাই হায়নরি শাবন্ন শাই। অহানবা যুগকী পাউরোদা লৈবাক ইরাং অকনবা খুদি মক মুগ যুগকী পোইরৈ তুংইন্না উতোং অমমমগা তরেৎ শেলজা লুপাগা য়ৈনা শারবা মরমনা অরোইবা যুগকী পোইরৈদা ফো শংবাইদা লুপা হুম্ফু মরি হেক হেক য়োগনি। মরম অদুনা মালেম হৈতা মাংলবা মালেম তম্পাক্তা হিরিং হৈনাও য়াল্লবা মতমদা চানিংগাই লৈতবদগী শিনগান মতুগী প্রমাণ অমনা, নোম নোম শগাইতোং চানবা লৈতে তখেনথাং। হায়রিবসি অচুম্বা ৱাহৈ নত্তে। নোমল নোমলগা চাননবা লৈতবদগী চানিংগাই লৈরকত্রদুনা চারা হেনবদগী থম্মোয় শোক্লবা মৈচাক্তগী য়ুমথংনবা অমদি মশা মশানা থাং পাইদুনা য়ানরগদবা তাইবং মালেমনি। অরংবা শ্লানা মালংদা চাইরগা তাইবং চিঙ্গাক ওইনগনি হায়বদি তলগা স্নাগা শিন্নদুনা চারগনি হায়বদু হৌজিক চারবনি। পুন্নমক খংলদুনা ইদুনা থারম্বা হৌজিক অমসুং হৌখিবা লোইগদবা পুন্নমক ইতুনা মীতৈ মাইচৌ পণ্ডিত কয়াগী ৱাহৈ পাখোংনি খংও। মরম অসিনা অরোইবা যুগতা ঐবু খংনা মুপী শাদুনা মুপীগী পুকচেল চেদুনা লৈমা ফিবু শেত্তুনা লৈমা কোন্দা লৈ তাদুনা নশা নশাগী থৱাই হিংনবা হোৎনজো। মদুনা নশা নশাগী য়াইফবা থৌরাংনি। মালেম নৌনা ঐনা খোংদাবদা লৈশেম্বগী অহানবা খুন্দা ওইগনি হে নমু তাইবংশা। মতুগী মতম খরগী মতুংদা নোংচুপ থোংবু থিংলগা নোংপোক থোংবু হাংলগনি হায়বসি মরম অমা লৈরি। তাইবতা কললু শোয়দনা অৱাবদগী মুংতাইবা নংগনিয়ে। নোংচুপতগী নোংপোকনা হান্না মীতৈশ্না লৈপাক্লা তিন্নজবনি মতুগী ৱারিমু শ্রা পুয়াদা য়াওরি। শোইদনা নোংপোক লমদম মীতৈগা চারোন্নগনি হায়বসি শোইব য়াত্রবা পুন্নাগী অচুম্বা মাইচৌগী কোরবেকতা তাদুনা লৈখ্রবা লেংফত্রবা শোইফবা ৱাফম্নি।

মরম অদুনা হৌজিকী হৌখিবা অরোইবা য়াবা লৈতাদুনা লৈখ্রবনি।

মীতৈগী পুন্না মতুংইন্না মীতৈ ওইহনা মালেম লৈশেমলোন য়াও-গদবনি। মিতিলজা ওইদুনা তুংহন্ননা লৈশেমরোন য়াওগনু। নুপী ওইরবসু মীতৈ ঈ শেংনা লৈমা লিম্বোই লেনবী ওইদুনা নুপীগী খুৎথাং পাইদুনা ইম্রাতিগী ইজ্জৎ মালেম লমজিং ওইদুনা মীতৈ কন্নাবু ম য়ক লান ভানহনগনবনি। ইশানা ইশাবু থাজদুনা মীতৈ ঈ শেংহন্নু। অমকপা ঈ উংকনু অভাংবা অশেংবা ঈ না পুয়াগী মঙাল পুথোকউকো মোগু তাইবংশা।

—————

# নুপী অমগী মথৌ

নুপী ঐনা নুপী ওইরকপা মতমদা নুপী অমনা ভৌগদবা অমজিংখংগদবা নথৌ মথৌদি অতৈ অমা নত্তে। অহানবদা ঐ ঐবু ঐনি হায়বসি হান্না খংলগা অনিশুবদা ঐসি কন্যা অমদগী নুপী হান্নব মীংথোল ফংলে হায়বসি খংবনা নুপীগী থ্বাইদগী অরুবা নুপীগী মথৌ ইথৌ অমনি। ঐনা ঐ ওইরগা অভাং অমা ওইরগনি, অভাং অহনা কন্যা অমা ওইগনি অহুদগী ঐনা মপুং ফারগা য়ুমপাল হেক তাংজবদা নুপী অমা ওইরবনি। নুপী অমা ওইবা ভারবদি তাইবং য়ুমবালগী য়ুমবু অমনি হান্নবা নুপী ঐ নংনা খংলগনি। লাইরিক হৈরবসু নত্রগা হৈত্রবসু নুপীনা চহি কুন হেক শুরবদা ঐসি ঐ অমা লাক্লে হান্নবসি খল্লগনি। মরমদি তাইবং খোংচৎ হেক হোংবা মুমিং অতুমকুদা ঐশি ভসিদগী ঐ লোইরে ঐ অমা লাকনি হান্নবা খন্দুনা লৈবা হান্নবসি নুপী ওইরবী খুদিংনা খনগদবা থম্মোইমুংগী অচেৎপা রাখলনি। নুপী ওইরবীগী লিচৎ-শাজৎতি অনি থোক্লা থাই হান্নবা ল্লাই। মতুগী মরমদি নুপী অমনা মপা মমাগী ময়ুমদা লৈরিঙৈদা

চঙচবা লিচুং-শাজুং অহু ময়ুম পাল্লগা মুপা মুমুমদা চৎপা মাদে। ফারি অসি মাম্নও খেন্নবা শাজুং-লিচুংনি। মপা মমাগী মুমদা মশাগী চৈনজবা মুমাজ্জোন অহু মীগী ময়ুম হায়রবদি মুপাতুগী মমুমদা লাক্লবদি মশাগী শাজং অহু শোইদনা হোংগদবনি হায়বসি মুপী ওইবীনা খ গদবা মরু ওইবা মথো অমনি অহুগা পুন্সি ফংহুনা ঐগী পুন্সি লোইর হায়নসু খল্লগনি। চৎনকী সমাজকী কুংশ্ন লোনচত্তে পুন্সি লোইবগী মতুং ইন্না পুংলোনগী মতুং ইন্না জগোই শাগনি। মুপান তরারক লুহোংবা ময়াবগুম্মা মুপীসু তরারক লুহোংবা য়াই। অমুক যুম পাল্লবা মুপা অহুনা লুহোংব য়ারবদি মুপী অহুসু লুহোংবা য়াই। ধর্ম অমসুং সমাজগী চৎনদবদগী য়ানদবনি হিরম থোরম থিনরবদি য়াই। মুপা মুপী অমত্তনি করিসু খেন্নবা লৈতে ঐনা ঐবু শেম্বা মুপা মুপীনি মুপাসু ঐনি। ঐসি ঐনা লোইশন্দবা য়াদহুনা মুপী হায়বা তাইবং পুন্সি শেমনবা অমদি লোইশন্নবা ঐনা ঐ হায়বা মুপীহু ওইবনি। মরম অহুনা ঐসু মানি, মাসু ঐনি থংউকো হে তাইবংশা। তাইবং মীওইবা হায়বসি অমত্তনি। জিবসিসু অমত্তনি তাইব মাপং অসিদা শান্নরিবা তাইবং লিন্না অসি জীব অমত্তনা মখল মথেল কন্না থোক্লনা শান্নরিবনি পুন্নমক্তি ঐনি খংও। তাইবং মালেম থক খা অসিদা লৈরিবা লেংলি পাল্লিবা পোৎশক অসি অনিতনি। মহুদি মুপা অমসুং মুপী অসিতনা তাইবং শেম্বনি তাইবং লোইবনি। অহুগা তাইবং জীবদগী অহানবদি মুপাদগী মুপীনা পোকই। মরম অদনা মীতৈগী পুরাদা মীতৈগী বাহৈদা লৈমরেলনা ইমানি লৈমরেল্সনা তাল্লোইনি হায়রিবসি অতে অমা নত্তে। ঐ হায়বা গুরু অসিনা মালেম মীতম-লগ্নে খন্দুনা লাইজসুংদগী লৈমরেল ইমাবু মালেম জীব মীতমহুনা ফোংনা চোংথোকলে মহুদগী লৈরোন চেগাইশাবা চমুমুংদা গুরুনা অঙাং নাওকম ওন্দুনা মালেম লৈফাওনবদা লৈমরেলনা শোকপদগী মালেম খন্দনা নাওকম অদুনা চফু কাইনা তাইবং তাইবং মোহ

মীতমখি মরক অদুদগী লৈমরেন খোমলাং ইন্দুনা তাইবং চিঙাক তম্বীবা নোংলেন অদুদনা ইমা শকপনি। অহিংগী তাইবং অথেংবদা গুক শাম্বানা লৈমরেন ক্ষমথা মীতমজদুনা ঐনা ঐবু মীতম্বদগী ইনুং লৈনা তাবদা ইমা মাবু তাল্লোই অমুমনা খম্বীরম্মী মরম অদুনা তম্বা মুপাদগী শাবী মানা হল্লি হায়রিবনি খংও। মুপী অমা ওইবা তাবমদি মুপী মানা মালেম শেম্বনি মুপী মানা যুম্বাল শেমবনি জীব মানা শাকপনি তাইবং মানা মাংহনবনিকো। অহুনদি তাইবং মালং পান অসিদদি মুপী নংগী নথো শাক্তা যুমবাল কৈনাগদবনি মরম অসিনা তাইবং লোনচত্তা মুপীগী মথোদি য়াম্বনিনে। মমা মপাম্পী লিচং চংনবী তাইবং লোনচংকী সেবা, মুপাদুগী মথো মচাশিংগী মথো খংনা মুম্বীরেন ওইববী মমা মুপী ঐনা ঐনি হায়না খন্দুনা তাইবং শেম্বা তাই। তাইবং শেম্বনা মুপীনা অমত্তদগী ঐ য়ামহনগনি। ঐনা ঐদা পক্লবা য়াদে। মরম অসিদগী মুপা মুপী হায়নুনা তাইবং চীঙাক খেন্নবনি।· মুপাগুম্না মপু ওইবদি মুপীনা অথোয়বা থবক কয়া ওই-গনি। মুপীনা চেকশিন্না থবক পুগনি মুপানা অচৌবা পন শাক্কনি। যুম অমবু মুংশাইহনগে খন্দুনা মুপী অদুনা ঐসে মানি খংলবা মসি ঐনি খংলবদি যুম অদুদা অমদি তাইবং শাজবা মুংশাই ম্লাইফে। মরম অদুনা মসি পূম্নমক মুপী অমগী খংত্রবা য়াত্রবা মথোনি খংউকো হে তাইবং ইপারিশা।

# মুপা অমগী মথৌ

ঐনা ঐ ওইদুনা তাইবং পুন্সিদা মুপা অমা ওইরবদি মুপা অমা ওইরবদি মুপা অমগী মথৌদি অহানবদা ইশা নশাগী মুপা অমগী মত্তিক চাবা ইহৈ অমমম তম্বা অমসুং থম্বা তাই অদুগা ইশা ফুশাগী হোৎনবগী মথৌনি। মুপা ঐখোয় নখোয়গী পুন্সিগী থবক্তি পোকপদগী শিবা ফাওবা ইথৌ য়ামনি। মরম অদুনা মুপা অমা ওইবাত্তারবদি খোংথাং অমসু রাস্তাং থুদি দা চেকশিন্দবা যাদে। ইশাদ নত্তনা শেমগদবা তাইবং খুৎশেম য়ামনি। তাইবং খোংচংকী মতুং ইন্না ঐনা ঐগী সেবা তৌজবা হায়বসে ঐনা ঐ ওইরবা অহল-লমন ইন্না ইচা ইশুগী সেবা শেম্বা শাবা তৌবা তাই। ঐনা ঐগী য়াথং ঙাক্তুনা অহল লমনগী তাইবং লোনচৎকী চৎনবী লিচং ঙাকপগা মুপা অমগী তৌরবা য়াত্রবা মথৌনি পুন্সি খোংচৎকী মতুং ইন্না ঐনা ইহৈ তম্বা লোইরগা অহল লমনগী মতুং ইন্না লম্বী ঙাকতুনা তাইবং মালেম পুন্সিগী লম্বী শেমহনা ঐনা ঐ ওইননবা তাইবং শেম্লবী তাইবং মাংহনবী লৈমা লোন মুপী থিগনি। মত্তদগী ইশাগী, মুপীগী, ইচাগী পুন্সুমরী মথৌ পাংথোকনবা ইশানা ইশাবু ইচাবু শেমগনি অদুগা ঐনা ঐ অসি ওইননবা হোৎনগনি। তাইবংমীগী থম্মোয়দা মাগী মাগী ওইবা থবক অমমমদি লৈগনি। অরেম্বা তাইবং মালেমগী মতমবু মাংহন্দনা শুবা য়াবা থৌবম লম্বী মথৌ কয়া কয়াসু শুগনি। মরল-নাই থবকপু শুরবসু অফিসকী থবকপু তৌরবসু, লৌবু উরবসু ইশা ইশাগী থবকী মতম মতমদু লোইরগা নোংমগী চাদব য়াত্রবা য়েঙ্খাং-লাপী ইশাগী ইংখোলদা থাগনি মরম শুনা। কৈথেলদগী লৈত্তনা চাগদবা মীশক ওইরগা নোংমগী লাক্লিবা শেলকমদগী চান্নবা থরচ অত্তগী মত্তগী মথক্তা নোংমগী থরচ হেন্না তানগনি, ইশাগী নত্তনা

ইচা ইশুগী য়াওনা তানবা তাই। চহিগী চাননবা কৌ পৈগনি, যেঙ্খাংনাপী য়াওনবা ইংখোলদা খাগনি ইশানা ইশাবু শেমগনি। পীং লৈগনি, থাও চানবা, থান্নবা লৈদুনা থমগনি চহি চহিগী ওইনা মদুদগী লেমননবা হোৎনগনি ইশাগী ওইবা শেলশিং। নোংমগী ওইনা শিজিন্নবা মীশু নোংমগী মথৌদগী লেপ্পনবা হোৎনগনি। লেমহৌরা শেলনা মচাগী, মুপীগী মমা মপাগী অঙ্কবা থবক অমদি ফজবা থবক খুদোংথিবা কয়াগী ময়োকননবা ইশা ইশাগী থমগনি।

মুপাগী পুন্সিদি পোকপদগী শিবা ফাওবদা লানক্ষমগী লাম্না সিফাইগুম্বনি। মথৌ কল্লি মরম অতুনা ইশানা মশা মশানা মথৌ পুন্নমক অদুবু ঐনা ঐবু মশক খংত্রবদি পুন্সি লেনবা ঙমদনা বানা লৈগনি। অকুপ্পা তুরেলগী লৈতোইগুমলবা য়ুমগী অমদি নংগী য়ুম্বালনোন পুন্নমক অসি খংদবা য়াদে। 'ঐবু ঐনা শেমগদবা তাইবং মুপী মুপানি মরম অদুনা তাইবং পুন্সি খোংচত্তা শেমগদবা অয়াম্বা থৌরমসে ঐনা ঐবু শেমগদবা মুপা ওইবশিংগী মথৌনি হায়রবসে মোন্থ তাইবং ওইরবা ঐখোয়গী ইথৌনি হায়রবসে খংগদবনি হে মালেমগী তাইবং জীবসা। পোকদবা পুন্সিনি; শিগদবা মালেম মপূগী থৌদানি।' অমুক পোকপা অমুক শিবা ঐনা ঐবু শেম্বা অনৌবা অরিবা খাইনবা মালেমদা ঐগীনি হায়না খন্দুনা অয়েম্বা পুন্সি মাংহনগনু নমু লৈশোন লোন্দা অমর লৈতবা তাইবং মালংনি খংও।

---

## তাইবংগী নুংঙাইবা মতাং

ঐ হায়বা গুরুনা তাইবং অসিদা তাইবং অমদ্বদগী মাখোন মঙাদবু হেক ফংহন্না মোন্থ তাইবংমী হায়রুনা মীংথোন্নবদা চহি অমমগী

চহি মত্তা ফাওবা মমা মপা ওইরবা ঐগী তম্পাক্তা ঐনা ঐবু কোন্দুনা ঐনা ঐবু শান্নজৈদো। অহানবা মুংঙাইবা মতাং লাম্লোক-তুনা চহি মত্তাদগী চহি তরামত্তা ফাওবা অঙাংগী পুন্সি অসিদা মথন্নাই ম্নাওবা গ্নান ম্নাওন্নবা তাইবং অঙাওবনা ওইনিং ওইনিংবা ন্নাখল ইচেলদা লাইজ ইপোম্নবা হিহোন্দুনা শান্নজবগী মতাং অমনি। চহি তরামচাদগী চহি কুনতরেং ফাওবদা লৈবিবা মতাং অসিনা তাইবং মপুং ফাত্নুনা তাইবং পুন্সিগী লোনচৎ শুনা খংল্বা থৌরম মপুং ওইরবা ন্নাবা মতাং য়েবিবনি। অরাবা নুংঙাইবা, নোকপা, কপ্পা করিনো মশক খংদবা পুন্সি মালেম খোংগাওনি। মতম অসিদা মোন্নু তাইবংনা মচাক মরল তানত্নুনা ইশা মশাগী ইশানা ইশাগী কুম্মে ওইনা শান্নজবা লিচৎ অফবা, ফত্তবা, নুংঙাইবা হন্নাওবা অরাবা অমনুং অহৌবা অরোইবগী তাংথক ওইনা চেপ্লকলবনি। ইমান্নবা, শঙ্গা, মরুপতা, চুংশিবা, নুপীদা নুংশিবা পুন্সি তাল্লোই থিনবা। মহৈগী পুন্সি তান্নবা হন্নাও মপুং ফারবা তাইবং মোন্নুগী পুন্সি মতাংনে। তাইবং মপুং ফাদুনা য়ুমলেপ চান্না তান্নবা তাইবং পুন্সিগী মরু হন্নবা ঐনা ঐবু চান্নবী লোইনা পম্বেং তানবা নুমিৎ হান্নবদি নুপা নুপী অমমমগী লুহোংবা নুমিং অসি নুপী নুপানা অমত্তা ওইবা পুন্সিদা তাইবং মপুং চপমান্ননা নুংঙাইবা পনথেং লৈত্রবা নুমিংনি। নুমিৎ অসিদা ঐনা ঐনি হান্নবা কাউত্নুনা লৈথোকপা ওম্মী। তাইবং লম্বীদি চংত্নুনা ইমিংনা উবা, ইথোংনা থাংবা ওমলবা লমদমদা হন্নাও মথোই কারুবা তাইবং মালেম তম্পাক্তা শান্নজবা মোন্নুগী ন্নারেফম লৈতে হান্ননা তেংথা নাওয়োইজবা শারবা মরুভূমিগী নুংশা মরক্তা নুংশাগী মঙালনা চাকলবা হুকচাংদা লাইজ ইরৈল লিক্লা ফংজবদা নুংঙাইবা পেজবা পুন্সিগুম হন্নাওজবা তাইবং পুনসিগী কুম্মৈনি। তাইবং মপুগী মোন্নু ঐনা ঐ লাকপদা ইপারি ইমোম্ন ফংজগে তাজবদা মপারি মমোম্ন ফংজবদা হন্নাওবা নুংঙাইবা মতাং। মীওোন্দগী

